লোইয়ামিং চিকলা

অমুঙৈ নোংমৈ শীংকুম

হাবগী লৈরোল

ꯅꯣꯡ ꯃꯃꯤꯠ ꯐꯥꯛꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ
ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯁꯤꯡꯖꯪ ꯇꯥꯕꯒꯤ ꯅꯩꯅꯔꯣꯜ

নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং
নোংমৈ শীংজং তাবগী নৈনরোল



ইবোম মঙ্গী, ইবোইশেম্বা



Angomningthou preservation &
Documentation Centre,
Uripok Achom Leikai,Imphal-795001

‘নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং নোংমৈ শীংজেং তাবগী নৈনবোল’
অইবা ইবোম মঙ্গী, ইবোইশেম্বা

অফোঙবী ঃ লাইশ্রম বিনাশখি, ইবোইশেম্বা, ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবীনা **এ পি দি সি** উবিপোক অচোম লৈকাই, ইম্ফালগীদমক ফোঙজবা

অহানবা ফোঙবা ঃ ২০১৩ ইং

কোপি ঃ ১০০০

মমল ঃ লুপা ১৫০/- (মখুম অপাবা)
ঃ লুপা ২০০/- (মখুম অথাবা)

ফংফম থোকপা পুন্নমক অইবগীনি

ISBN 978-93-82939-01-6

নম্ফম ঃ লমযানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফাল

অইবগী ৱারেল

নোং মমিৎ ফাকপা, নোং খোঙবা অমসুং নোং খাকপা হাযবসি মহৌশা-মহৌশাগী ওইনা থোকচবা থৌশিলনি। অদুগা যেলহৌমীশিংনদি নোংমৈ শীংজং তাবসু লাইনা নোংথক্তগী থাদবকপনি হাযনা লৌনবমই। হৌজিক্কী মতমদদি লাইবিক্কী ওইবা ৱাখল-লৌশিং মপুং ফানা নৈনবকপনা নোং মমিৎ ফাকপনচিংবসি কবি-কবম্না থোকহনবনো হাযবসিগী অশেংবা মবমদু খঙনবে। অদুবু মীচম কযা-কযাদি অশেংবা মবমসি খঙদ্রি। নোং মমিৎ ফাকপা, নোং খোঙবা অমসুং নোংমৈ শীংজং তাবগী মবমদা নৈনদুনা ইবা লাইবিক লৈববদি মীযামগী পুক্লিং লৌশিং খবমখৈ ওইগনি খঞ্জদুনা 'নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং নোংমৈ শীংজং তাবগী নৈনবোল' কৌবা লাইবিকসি ইজবনি। অশোয-শোযদা, অৱাৎ-অপা কযাবু তাকপিবক্লবদি ফিগাও শানা ওকচগনি।

ৱাফম অমনা লাইবিকসি ইজবা মতমদা লাইবিকসিগী মচাক ওইবিবা হিবম কযাগা মবি লৈনবিবা সাইন্সগী মপুং ওইবিবা ফিজিক্স লাইবিকখক্তদা মিৎযেং থমবগুম থোকখি। অদুনা লাইবিকসি মপুং ফাদবগী মতৌ অমা অদুম লৈখি। তশেংবসু লৈচিলদা, নোংদুম মবক্তা নোং মমিৎ ফাকপা, নোং-নুংশিৎ মবক্তা অখাক-অবাও থোকপনা লৈচিলগী মবমদা নৈনবা, নোং-নুংশিৎ শেম্লকপা, নোং-নুংশিৎগী হৌবকফম নৈনবা যাম্নমক তঙাইফদবা ওইবকখি। মতাংসিদা মোইবাং কলেজগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টতা এসসিস্টেন্ট প্রোফেসব ওইবিবিবা উবিপোক অচোম লৈকাইদগী ওজা ডা অনিলকুমাবনা জিওগ্রাফিগী লাইবিক অহুম পীবিবকখি। লাইবিকশিং অদুগী মতেংদগী ঐগী লাইবিকসি খবগী মখৈ মপুং ফাহনবা ঙমজখি। মসিগীদমক ওজা অনিলকুমাবগী লমন তোনশিনজবে। ওজা অনিলকুমাববু থম্মোই শেংনা থাগৎচবি।

থোইদোকপা ৱাবোল অমনা লাইবিকসি বঙ্গলা মযেক অমসুং মীতৈ মযেক (মণিপুবী মযেক) অনিমকতা পুথোককে খঞ্জে। মবমদি মহৈবোই অযাম্বনা বঙ্গলা

মযেক পাবা থোকত্রে। মণিপুরী মযেক্তা খুৎলোইখ্র। মতাংসিদা লুবিবদি বঙ্গলা মযেক্কী রাবেংসি মণিপুরী মযেক্কী রাবেংদা ইথোকপসিনি। ঐ ইশামক্লা ইথোকপা ঙমগনি। অদুবু খোঙজেলদি যাম্না তপকনি। অদুগা ঐগী মিৎ নাকোং অমসুং কোক চৈথেং কযা পীবক্কনি। মসি ঐগী ওইবিবা হকচাংগী ফিবম্ননি। মসিনা মরম ওইবগ মণিপুরী মযেক্তা হেন্না খুৎলোইববা কনাগুম্বা অমদা থবর্কসি মতেং পাংবীনব হাযজবা তঙাইফদ্বক ত্রে। মতাংসিদা ইবৈবাক পাউ-চেগী এসসিস্টেন্ট ইদিটবগী থে পুনিবিকা লাই ইমোনা শিন্দী লাংবীদুনা খুবাই চাইথবী লৈবক্তা লৈবা চবুংবম বোমীদু মীতৈ মযেক নমথোকহনবিখি। মসিগীদমক্তা লাই ইমো অমদি বোমী অনীব শিংবা ঙমলবোইদবা লমন তোনশিনজবে। থোইদোকপা রাফম অমনা 'অভোম নিংহৌ প্রিজর্বেসন এন্দ দোকুমেন্টেসন সেন্টব' (এ পি দি সি) উবিপোক অচোম লেকাইদা সেন্টবসিগী মিংদা লাইবিকসি ফোংদোকপা যাহনবিবগীদমক দাক্তব মাখোনমণি মোংসাবাবু হন্ন হন্না থাগৎতবি।

ইবোম মঙ্গী

মনুংগী লমাযদা

অহানবা পন্দুপ

নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং নোং মমিৎ ফাকপগী লৈহৌরোল

নোং মমিৎ ফাকপা ঃ

নোংলৈ নুংশিৎ শিৎপা তাল্লক্তা নৎত্রগসু নোং পুবা লৈচিলনা মন্না থানা অতিযাদা লৈববদা নোংদুম মপৈ মবক্তগী অঙকপা পোক্লা লংলবা অবংবা মৈঙাল থোবকপা কবিগুম্বদা ঐখোয মীওইবনা হেক-হেক উবা ফংই। যেলহৌমীশিংগী বাখলদা নোংনা মমিৎ ফাক্লকপদগী অবংবা অঙানবা মৈঙালসি থোবকপনি হায়না খল্লম্মী। অসুম্না নোংদুম মপৈ মবক্তগী থোবকপা অবংবা মৈঙালসিবু "নোং মমিৎ ফাকপা" হায়না মীতৈ ফুকপকী যেলহৌমীশিংনা খঙনবম্মী।

নোংথাং কুপ্পা ঃ

নোং মমিৎ ফাকপা খুদিং নোং খাকপা তৌগনি-থোক্কনি। নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং নোং খাকপা অনিসি থাদোক্লবা যাদ্রবা থৌশিলনি। অদুবু কবিগুম্বদা নোং মমিৎ ফাকপগী কা-হেন্না লংবা অবংবা মঙালসি থোইনা লংদবা মঙাল ওইনা উবসু যাওই। অদুগা নোং মমিৎ ফাকপগী নোংখাক খোঞ্জেলসু ঐখোযনা তাবা ফংদে। মতাংসিদদি অবংবা মৈঙালসি নোং মমিৎ ফাকপা হাযদবে। নোং মমিৎ ফাকপদি উবগা নোং খাকপদি তাবা ফংদবা মখলগী নোং মমিৎ ফাকপসিবু মীতৈ পুরাবীদা "নোংথাং কুপ্পা " হায়না খঙনৈ।

ঙসিগী চকসিদা লৌশিং কাংলোনগী চাওখৎ খোংজেলসি যান্না যাংখ্রে, থাকসু ৱাংখ্রে। অদুবু ঐখোয মীওইবনা কবিগুম্বা মিৎকুপ অমদদি ঈশ্বর (লাই) হাযবা অমা হেক-হেক নিংশিংনবি। লাই মাবু ঈবাৎচবি, খুকমজবি। লাই মহাক্লা পোৎশকশিমা শেম্বীবিবনি, ওইহনবিবনি, কবিগুম্বা থৌদোক অমবুনা ঈশ্বর মানা থোকহনলিবনি

হাযনা তাইবং মীওইবা ঐখোযনা থাজনবী অমা মালেম লৈশেম-নুংশেমঙৈদগী চৎনবক্নি। অসিগুম্বা চৎন-ঈনাৎ-লিচৎশিংগা শাগোন্নজবা ৱাখল্লোন্দা নোংথাং কুপ্পসি লাইনা থোকহনবনি, লাইনা তৌবিবনি হাযনা মীতৈ যেলহৌমীশিংনা থাজনবকই। থোকহনবীবিবা, শিনবীবিবা লাই অসিসু লাইনিংথৌ নত্তে, লাইবেম্বীনি হাযনা চেৎনা থাজনৈ। নোংথাং লাইবেম্বী ইমাগী মিংখৈদি "নোংথাং লৈমা" হাযনা কোলোইনৈ।

নোং মমিৎ ফাকপগী লৈহৌবোল (হৌবকফম) ঃ

নোং মমিৎ ফাকপগী লৈহৌবোনসি তাঙ্কক অনিথোক্লা খাযদোকপা যাই। (১) যেলহৌমীশিংগী ৱাখল পাদম। (২) লৌশিং কাংলোনগী পাদম।

(১) যেলহৌমীশিংগী ৱাখল পাদম ঃ

ঙল্লিঙৈ তাইবংগী মীবোলদা **গ্রীস** অমদি **বোম** লৈবাক্তা নোং মমিৎ ফাকপা অমসুং নোং খাকপগী লমদা ৱাখল খনবা হৌবকখি। মখোযনা নোং মমিৎ ফাকপসি নুংশিৎতা মৈ চাকপনি হাযনা লৌবমই। নোং পুবা লৈচিল মপৈশিং থেংগাইনবা, অৱাংবদা লৈবা লৈচিলদা নোংগী চাং যাওবা হেল্লকপদগী লূমথবক্তুনা তাথবকপদা অনেম্বদা লৈবা লৈচিলগা থেংজিন্নবদগী মৈবিক মৈঙালসি থোকপনি হাযবসি লৈবাক অনিসিদা লৈবম্বা ঙল্লিঙৈ মীবোনগী ৱাখল্লোননি।

(২) লৌশিং কাংলোনগী পাদম ঃ

নোং মমিৎ ফাকপগী লৈহৌবোলসি মখাগী অসুম্না তবেৎ তবা থোক্লা খন্নবা যাই।

I নোং মমিৎ ফাকপগী মকুওইবা হৌবকফম অসিদি মালেমসিবু কোযশিল্লিবা নুংশিৎকী কুযোমনুংদা ইলেক্ট্রিকেল চার্জ যাওবকপসিনি।

II নুংশিৎকা ঈবোইনবা ঈশিং ঈনিল, নুংশিৎতা তিনবা পোৎযান কাযাগী অমগা অমগা তক্ল-ৱাইনবগী শাফু, নুংশিৎ মশাগী অকনবা শাহুম, সোলাব ৱিন্দগী ইম্পেক্ট অমসুং চার্জ যাওজববা সোলাব পার্টিকেলনচিংবা কযাসিদগী ওই।

III পাৎ, তুবেল, সমুদ্রনচিংবগী ঈশিং ঈমাযদা নুমিৎকী মৈশানা যৈবদা পাযখৎলিবা ঈশিং মনিলগী পোৎশকশিংদু পোজিটিবলি চার্জ তৌই। ঈমাযগী ঈশিং অদুবুনা নেগেতিবলি চার্জ তৌদুনা লৈহৌই। মতৌ অসুম্না মহৌশাগী ওইবা থৌশিলদা পোজিতিবলি চার্জ তৌববা ঈশিং ঈনিল নুংশিৎতা লৈবকখি।

IV নুমিৎতগী লাকপা মতিক-ময়াই কল্লবা মশেক-মঙাল (অলত্রা-ভাইযোলেৎ বেদিযেসন) অমসুং বেডিওএক্টিব ওইবা পোৎশকশিংদগী পীথোবকপা বেডিওএক্টিব বেশিংনা এটমোসফিযাবদা ইলেক্ট্রিকেল চার্জ যাওহল্লকই।

V অকক্লবা পনখৈ লৈতবা অথাপ্পা মফমদগী মঙাল পবিং কয়াসু এটমোসফিযাবসিদা তিল্লবি। মখোযসিবু "কোসমিক-বে" হাযনা খঙনৈ। মখোযসিনা এটমোসফিযাবদা কুপ্নবা পোৎশক কযা শেম্লকই। মমিংনা 'আই ওন" হায়না খঙনৈ। আইওন শেম্লকপগী থৌসিলশিবু আইওনাইজেসন হাযবগা খঙনৈ। আইওনশিং অমগা-অমগা অমুক থেংজিন্নবা, থেঙ্গাইনবদগী মখা তানা আইওনাইজেসন থোকহল্লকই। আইওনশিংসি মহৌশানা চার্জ তৌবা পোৎশক ওইজৈ। মতৌ অসুম্না এটমোসফিযাবদা মহৌশাগী ওইবা মতৌদা ইলেক্ট্রিকেল চার্জশিং যাওজবকই। মবমসিদগী এটমোসফিযাবসিবু ইলেক্ট্রিফাইদ তৌববা হায ইলেক্ট্রিফাইদ তৌববা নুংশিৎকী ঙমখৈসি মালেম লৈমাযদগী চাওবাক্লা কিমি ১০০ ফাওবদা ওই। ইলেক্ট্রিফাইদ তৌববা লমখৈনুংশিবু "আইওনোসফিযাব" হাযনা খঙনৈ।

VI লৈচিন নোংফাই থাংদবা, অতিযা তশেং-তশেংবা নুমিৎতদি মালেমগী লৈমাইসি নেগেতিব ওইনা চার্জ তৌই।

VII নোংথক নুংশিৎকী মখা থংবা লৈবোলসি পোজিতিব ওইনা চার্জ তৌই। মথং শিংনা মালেম লৈমাই অমদি নুংশিৎকী মখা থংবা লৈবোন্দা যাওবিবা নেগেতিব অমসুং পোজিতিব চার্জশিংগী মবক্তা অকনবা শাফু অমা লৈবা হৌবকখি, লৈবকখি। শাফুসি লৈমাযবোমদা তেমশিংলকই। মসি চার্জ তৌববা পোৎচাকশিং চিংশিন্নবগী অকক্লবা চৎন-কাংলোন অমগী মখা পোন্না তৌবিবনি। কাংলোনসিবু "কোলোম্বগী লো ওফ এট্রেক্সন" হাযনা খঙনৈ।

VIII এটমোসফিযাবদা ঈশিং মনিল যাওই। অদুগা আইওনশিংসু যাওবিবনি। ঈশিং মনিলসিনা আইওনশিংদা কুংশিন্না অমসুং নংশিন্না লৈবা তানফমসু লাকই। মসিদগী নংশিল্লবা ঈশিং মবিকশিং অসি চার্জ তৌববা পোৎ অমা ওইবকই। অদুগা মবিকশিং পুনশিন্নবক্তুনা লৈচিল শেম্নকই। অসিগুম্না

লৈচিলশিং অসি পোজিটিব নৎত্রগা নেগেটিভ ওইনা চার্জ তৌববা পোৎচাও ওইবকই। লৈচিলদা যাওবিবা উনগী শক্লোন্দুনা লৈচিন মনুংদা যাওবা পোজিটিব অমদি নেগেতিব চার্জশিং অদু তোখায় তোখায় লৈহল্লক্লবগী শাফু পীবা ঙমই। মসিনা নোং মমিৎ ফাকপা থৌশিল থোকহল্লকপদা চাওনা মতেং পাংলকই। অদুনা লৈচিলদা যাওবিবা উনবু নোং মমিৎ ফাকপা থোকহল্লক্লবা খুৎমাবা পোৎশক ওইনা শিংথাই।

IX নেগেতিব ওইনা চার্জ তৌববা মালেম লৈমাযগী নোংথক্তা পোজিতিব ওইনা চার্জ তৌববা লৈচিল মপৈনা পাইবক্লবদা লৈমাই অমসুং লৈচিলগী মবক্তা নিউত্রেলাইজেসন থোকই। কবিগুম্বদসু পোজিতিব ওইনা চার্জ তৌববা লৈচিল মপৈ অনি নকশিন্নবকপদা মখোয়গী মবক্তা নিউত্রেলাইজেসন থোকই। নিউত্রেলাইজেসন হাযবসি পোতেলসিয়েল অৱাংবদগী পোতেলসিয়েল অনেম্ববোমদা চার্জনা চেন্দুনা পোতেলশিযেলগী খেন্নবা লৈবিবদু মান্ননবা হোৎনবকপদুনি। মতৌ অসুম্না মহৌশাগী মনাৎ ওইনা এটমোসফিযাবদা "চার্জগী ঈচেল' লৈবকখি।

X তোঙান-তোঙনবা লৈচিল মপৈশিংগী মবক্তা নৎত্রগা মালেম লৈমাই অমসুং লৈচিল মপৈ অমগী মবক্তা লৈবা ইলেক্ট্রিকেল পোতেনশিযেল খেন্নবনা নোং মমিৎ ফাকপা থোকহল্লকপনি।

X1 অৱাংবদা লৈবা লৈচিলদা ইলেক্ট্রোন যাম্না শেম্মকপা তাঞ্জা লৈববা অদুগা মখা থাবা লৈচিলগী শকুক্তা ইলেক্ট্রোন ৱাৎলবা, মতমদুদা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চার্জশিংনা চেন্দুনা মফম খুদিংদা চার্জশিংগী পাঙ্গল মান্ননা লৈনবা হোৎনবকই। চার্জশিংনা লেংবা, চৎপসিদা মতিক-মযায কল্লবা ইনর্জি যাম্না পীথোবকই। ইনর্জি অসি অমুক্তদা ইলেক্ট্রিকী ঈচেল ওইনা অতিযাদা থাদোবকই। মসিদা **মৈশা** অমসুং **মৈঙাল** শাগোন্নবকই। মৈঙালসিবু ঐখোযনা নোং মমিৎ ফাকপা ওইনা উবিবনি।

X11 এটোম হাযবসি ইলেমেন্ত অমবু শাগৎপদা চংবা যাম্না কুপ্পা পোৎশক অমনি। এটোম খুদিংদা ইলেক্ট্রোন যাওই। ইলেক্ট্রোন অসি ইলেক্ট্রিক চার্জ পুবা পোৎশকনি। ইলেক্ট্রোন যাওববা পোৎশক অদু চার্জ তৌববা কৌই। ইলেক্ট্রোন হেন্না যাওববদি পোৎশক অদু নেগেটিভ ওইনা চার্জ তৌববা হায। ইলেক্ট্রোন তাথনা যাওবগনা পোৎশক্কু পোজিটিব ওইনা চার্জ তৌবা

কৌই। চার্জ তৌববা পোৎশক অমগী ইলেক্ট্রিকেল পোতেন্সিয়েল লৈজে। চার্জ হেন্না যাওববদি পোৎশক্তুগী ইলেক্ট্রিকেল পোতেনসিয়েল অদু হেনগৎলকই। ইলেক্ট্রিকেল পোতেনসিয়েল মান্নদবা চার্জ তৌববা পোৎশক অনী কবিগুম্বদা ধাতুগী তাবা অমনা শমজিল্লবদি পোৎশক অনিদুগী ইলেক্ট্রিকেল পোতেনসিয়েল অদু মান্নহন্নবা তবাদু ফাওদুনা ইলেক্ট্রিক চার্জনা চেনগনি। ইলেক্ট্রিক চার্জনা তাবা ফাওদুনা চেনবসিবু ইলেক্ট্রিক করেন্ট কৌই। ঐখোযগী অকোযবদা ঐখোযগা হকথেংননা শোক্ল-পক্লনা লৈমিন্নবিবা নোংলোল-হুম্মোইবা (এটমোসফিযাব) অসিদি ইলেক্ট্রিক চার্জনা চেনবদা অথিংবা পী। অদুনা নুংশিত্তদি ইলেক্ট্রিক চার্জনা ইবাই লাইনা ফাওদুনা চেনবা ঙমদে। কবিগুম্বদা এটমোসফিযাবদা লৈবা চার্জ তৌববা পোৎশক অনিগী মবক্তা লৈবিবা ইলেক্ট্রিক পোতেনসিয়েলগী অখোই অহেনবদুনা (খেন্নবা) শিংথাবা যানা হেনগৎলক্রবদি নুংশিৎতা ইলেক্ট্রিক করেন্ট থোবকই। নোংথক অতিযাদদি অসিগুম্বা ইলেক্ট্রিক্কী ঈচেল চেনবসি চার্জ তৌবিবা নোং পুবা লৈচিল মপৈ অনিগী মবক্তা থোক্কল্লি, থোকই। ইলেক্ট্রিক করেন্টকা থেংনবা শোক্ল-পক্লবা এটমোসফিযাবিক মোলেক্যুলশিং অদু মৈশা ফংদুনা শাগৎলকই। কা হেন্না শাগৎলক্তুনা যাম্না লংবা মৈঙাল থোবকই। থোবক্লিবা অবংবা মৈঙালসিবু নোংদুম মপৈ মবক্তুগী থোবকপনি হাযদুনা 'নোং মমিৎ ফাকপা' হাযনা মণিপুরী যেলহৌমীশিংনা খঙনবকলিবনি।

XIII এটমোসফিযাবদা ইলেক্ট্রিক্কী ঈচেল থোবহনবসিবু 'নোং মমিৎ ফাকপা' হাযনৈ। এটমোসফিযাবদা শাযোংলকপা যাম্না চাওবা ইলেক্ট্রিক্কী মৈবিকর্শিংবু নোং মমিৎ ফাকপা হাযনসু খঙনৈ।

XIV পোজিতিব অমসুং নেগেতিব চার্জশিংগী মবক্তা খেন্নবা লৈবিবা ইলেক্ট্রিকেল পোতেনসিয়েল অদুনা মতিক চানা চাওখৎলকপ্রিফাওবা চার্জশিং তোঙান-তোঙান লৈনৈ। চার্জশিং অদুনা মানা-মানা লৈনবিবা মতৌনা মতিক চাবা ইলেক্ট্রিক ফিল্ড অমা থোকহল্লবদা ইলেক্ট্রিক ঈচেল থোকহল্লি। অসুম্না নোং মমিৎ ফাকপা থোক্লকই।

XV ইউনিত পোজিতিব চার্জ অমদা পীবিবা শাফুসি 'পোতেনসিয়েল গ্রেডিযেন্ট' কৌই। লৈমাযদগী বাংখৎ বাংখৎলগা পোতেনসিয়েল গ্রেডিযেন্টকী চাং হন্থবকই। পোতেনসিয়েল গ্রেডিযেন্টকী মশক তাকপা

খুজিং ৱাহৈসি ভোল্ট / মি ওই। পোতেনসিয়েল গ্রেডিয়েন্টনা ১০০ ভোল্ট / মি ওইবদা এটমোসফিয়াবগী ফিভমসি নোর্মেল ওইবা কৌই। নুংশিৎ-নুংশাগী চাংসু অফবা চাংদা লৈবা হাযনৈ। কবিগুম্বদা পোতেনসিয়েল গ্রেডিয়েন্টকী ভেল্যুনা ৩০,০০০ ভোল্ট /সেমি ওইবক্লবদা নুংশিৎ মবক্তা (এটমোসফিয়াবদা।) নোং মমিৎ ফাকপা থৌদোক থোবকই। নোং মমিৎ ফাকপসি এটমোসফিয়াবদা ইলেক্ট্রিকেল চার্জশিং লৈবক্তুনা ইলেক্ট্রিক কবেন্ট থোবকপদগীনি হাযবা বাফমসিমদি মযেক শেংলে। অদুবু নোংথক্কী নুংশিৎ কুযোমল ক্তা ইলেক্ট্রিকেল চার্জশিং শেমগৎলকপগী চপ চাবা থৌশিল হৌজিক ফাওবদা মপুং ফানা খঙবা ঙম্লদ্রি। হিবমসিদা পূল্লিং চংনা খিজিন্নিবশিংনা লৈচিলশিংগী মবক্তা ইলেক্ট্রিক চার্জ শেমগৎলকপসিগী চপ চাবা থৌশিল প্রেসিপিটেসন অমসুং কনভেকসন হাযবিবা খিওবি অনিসিগী মতেংনা মযেক শেংনা তাক্লবা হোৎনবা লেপত্রি।

অনিশুবা পন্দুপ

নোং মমিৎ ফাকপা মখল

নোং মমিৎ ফাকপসি মখল মবি থোক্লা খাযদোকই।




১ Multiple paths of cloud-to-cloud lightning Swifts Creek Australia

(১) লৈচিলদগী লৈচিলদা থোকপা নোং মমিৎ ফাকপা ঃ

তোঙান-তোঙানবা লৈচিল মপৈ অনীগী মবক্তা নোং মমিৎ ফাকপা থৌশিল থোকই। অসিগুম্বা মখলগী নোং মমিৎ ফাকপবু 'ইন্তব-ক্লাউদ লাইটনিং' হাযনা খঙনৈ।

(২) লৈচিল মপৈ মশাদা থোকপা নোং মমিৎ ফাকপা ঃ


লৈচিল মপৈ অমখক্কী মশাদা ইলেক্ট্রিকেল পোতেনসিযেল খেন্নবা মফমশিং লৈবদগী নোং মমিৎ ফাকলকই। মসিবু 'ইন্ত্রা ক্লাউদ লাইটনিং' কৌই। খ্বাইদগী তোযনা থোকপা নোং মমিৎ ফাকপদি ইন্ত্রা-ক্লাউদ লাইটনিং অসিনি।



২ Cloud-to-cloud lightning Victoria Australia

(৩) লৈচিলদগী মালেম লৈমাই তম্না থোকপা নোং মমিৎ ফাকপা

অসিগুম্বা মখলগী নোং মমিৎ ফাকপসি, কুমুলোনিমবুস হায়না খঙনবা লৈচিল অমসুং মালেম লৈমাই অনিসিগী মবক্তা থোকপনি। লৈচিলদগী লৈমাই তম্না চেনবা ইলেক্ট্রিক চার্জনা থোকহনবনি। মসি লিদব স্ট্রোক হায়না খঙনৈ।



৩ Cloud-to-ground lightning

মখল অসিনা অনিশুবা খ্বাইদগী তোয়না থোকপা নোং মমিৎ ফাকপনি। অসিগুম্বা মমিৎ ফাকপসিদা চার্জগী হনকৎনা চেনখৎপা খোংজেনসু যাওই। মসিবু 'বিত্রল স্ট্রোক ' কৌই। ব্রাইদ লুমীনাওস ওইবা বিএল স্ট্রোকনা সেকেণ্ডদা মাইল ৬০,০০ যাংবা খোংজেলদা লৈচিল তম্না যাংনা চেনখৎলি। কবিগুম্বদা নোং মমিৎ

ফাকপা অমগী বিএল স্ট্রোকসি ২০ লক লৈবসু যাওই। অদুবু লৈচিলদগী লৈমাই তন্না নোং মমিৎ ফাকপা থৌদোক্তা স্ট্রোক অনিদি শোযদনা লৈগনি। অহানবগীসিনা লৈমাযদা যৈবা পোল লিদব স্ট্রোক হাযবগসু খঙনবা লিদব স্ট্রোকসিনি। অনিশুবসি শাথিনা লংলবা হনগৎখিবা ঈচেল বিএল স্ট্রোকসিনি। লিদব স্ট্রোকনা মিলি সেকেণ্ড ২০দা লৈমায যৌবা ঙমই। বিএল স্ট্রোকনা মাইক্রোসেকেণ্ড ৭০ দা লৈচিল যৌখিবা ঙমই।

(৪) লৈমাযদগী লৈচিল পাংবা নোং মমিৎ ফাকপা ঃ

মসি লৈমাযদগী কুমুলোনিমবুস লৈচিল তন্না থোকপা নোং মমিৎ ফাকপনি। অদুনা মতাংসিদদি নোংথকলোম তন্না চৎখিবা লিদব স্ট্রোকনা হৌই। নেগেটিভ ওইনা চার্জ তৌববা আইওনশিংনা লৈমাযদগী মথকলোমদা কাখৎলি। মসিগুম্বা আইওনশিংগী খোংচৎসিবু স্তিপ্পদ লিদব হাযনা খঙনৈ। অসিগুম্বা চার্জশিং অসিনা কুমুলোনিম্বুস লৈচিলদা যাওবা পোজিতিব ওইনা চার্জ তৌববা আইওনশিংগা খেংনবে। লৈচিলদগী লৈমায তন্না বিত্রল স্ট্রোক লাকই। মসিগী বিত্রল স্ট্রোকসি পোজিতিব লাইতনিং কৌই।

অহুমশুবা পন্দুপ

নোং মমিৎ ফাকপা থোক্কনবা মফমশিং

নোং-নুংশিৎ মবক্তা অখাক-অবাও যাওনা নোং মমিৎ ফাকপসি,

(১) লৈচিল মপৈ অমগী মশা মনুংদা থোকই।

(২) লৈচিল মপৈশিংগী মবক্তসু থোকই।

(৩) লৈচিল মপৈ অমগা নুংশিৎকগী মবক্তা থোকপা যাই।

(৪) লৈচিল মপৈ অমদগী মালেম লৈমাই তপ্না নোং মমিৎ ফাকপা থোকপসু যাই।

(৫) উন পুবা নুংশিৎ মবক্তসু থোকই।

(৬) উফুল পুবা নুংশিৎলক্তসু থোকই।

(৭) মৈগী চীং পোখাযবকপদা কাপথোবকপা উফুল, গ্যাসকী মবক্তসু নোং মমিৎ ফাকপসি থোকই।

(৮) মহৌশানা নোং মমিৎ ফাকপসি 'কুমুলোনিমবুস' হাযনা খঙনবা লৈচিল মপৈশিংদা থোক্কল্লি। হাযবিবা লৈচিলসিবু 'নোংখাক লৈচিল' (থন্দব ক্লাউড) হাযনা খঙনৈ। অদুবু কবিগুশ্বদা 'নিমবোসত্রাটুস' হাযনা খঙনবা লৈচিল মপৈশিংদসু থোকই।

মথক্কী ৱাবোলসিদগী ঐখোযনা খঙলিবদি নোং মমিৎ ফাকপসি লৈচিলদা নৎত্রগা লৈচিলদগী অযাম্বা থোকই। অদুনা লৈচিলগী মবমদা নৈনবা চংই।

লৈচিল ঃ

নুংশিৎতা তাওদুনা লৈবা কুংশিল্লবা-নংশিল্লবা ঈশিং মনিলগী শকউবা মশক (মাস) পু লৈচিল কৌই।

* অপিক-অপিকপা ঈশিং ঈবিকশিংগী শকউবা মশকপুসু লৈচিল ওইনা খঙনৈ।
* লিক্লাই মশক ওইবা উনবুসু লৈচিল হায়না খঙনৈ।
* অপিকপা ঈশিং ঈবিক অমসুং লিক্লাইগী মশক ওইবা উনগা তোৎন-তিনশিন্নববা পোৎশকতুনা মালেম লৈমাযদগী থোইদোক্লা ৱাংতক তৌবা নোংমদোন থক্তা নুংশিত্তা যাম্থদুনা লৈববুসু লৈচিল ওইনা খঙনৈ।
* থকলোমদা শিৎকৎপা নুংশিৎনা লৈচিলবু শেম্বী-শাবী অদুগা লুমথবকপা-তাথবকপদগী ঙাক্তুনা থম্বী।

ট্রোপোসফিযাবদা লৈবিবা লৈচিলশিং অসি কাংলুপ মবি থোক্লা খাযদোকই। নোংম-নোংমগী ওইবা নুংশিৎ-নুংশাগী কাংলোন নৈনবশিংনা লৈচিলগী মশক শকফম অমদি মখোযগী লৈফম্না লৈমাযথক্তগী ৱাংলিবা অৱাংবদু যেংলগা লৈচিল মশক-মওং তাবাবু কাংলুপ অহুম থোক্লা খাযদোকই।

১) অনেম্বা লৈচিল ঃ

ফুট ০-৬,৫০০(০-২ কিমি) ফাওবদা লৈবা লৈচিলবু অনেম্বা লৈচিল হায়না খঙনৈ। সত্রাতোকুমুলুস, সত্রাতুস, কুমুলুস, কুমুলোনিমবুস হাযবিবা লৈচিল মখলশিংসি অনেম্বা লৈচিলগী মনুংদা চল্লি। কুমুলোনিমবুস লৈচিলসি নোং মমিৎ ফাকপা, নোং খাকপগা মবি লৈনবা লৈচিল ওইনা শিংথানৈ। ইংবাজিদা থন্দব ক্লাউদ হায়না খঙনৈ। মসিনা তাকপদি লৈচিলদগী মালেম লৈমায তম্না অখাক-অবাও যাওনা নোং মমিৎ ফাকপা থৌশিলসি কুমুলোনিমবুস হাযবিবা মালেমগা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা লৈচিলসিদা তোযনা থোক্কল্লি হাযবসিনি।

২) মযায ওইবা লৈচিল ঃ

ফুট ৬,৫০০-ফুট ২৩,০০০(২-৭ কি মি) ফাওবদা লৈবা লৈচিলবু মযায ওইবা লৈচিল কৌই। অলতোকুমুলুস, অলতোসত্রাতুস, নিমবোসত্রাতুস হাযবিবা লৈচিলশিং অসি মযায ওইবা লৈচিলশিংনি।

৩) অৱাংবা লৈচিল ঃ

ফুট ৬,৫০০ দগী ফুট ৪৫,০০০ (কি মি ২ দগী কি মি ১৫) ফাওবগী মনুংদা লৈবা লৈচিলবু অৱাংবা লৈচিল কৌই। মখোয-মখোযনা লৈবিবা মফমদুগী তংদাংবা অৱাংবা পনখৈগী মতুং ইন্না (১) সিবরুস লৈচিল, (২) সিববোকুমুলুস লৈচিল, (৩) সিববোসত্রাতুস লৈচিল হায়না খাযদোকই।

ক্লাউদ ৰাহৈসিগা মবি নৈনবা ৰাহৈ পুংবা অমা লৈবি। মদুদি 'ক্লাউদ ব্রুস্ট'। মসি ইখঙ-খঙহৌদনা হৌবকপা যাম্না শাথিবা নোং-নুংশিৎপু খঙনৈ।

লৈচিলগী মশক মতৌ মচু যেংলগা ওইবক্কদবা নুংশিৎ-নুংশা, নোংজুগী ফিভম ঐখোয মীওইবনা মাংজৌননা খঙবা ঙম্লবম্মী। নোংমগী ওইগদবা নোং-চিংগী ফিবম অদুগা লানফম অমা চৎলমদাইদসু লানদু মায পাক্কনি নংত্রগা পাকলোই হাযবা অদুগা অমুকসু লানফমদা লান থেংনবিঁঙৈদসু লানফমদু ঐখোযনা ঙমগনি নৎত্রগা মাযথিবগনি অমসুং যেক্লবনা লান হৌবকএ নৎত্রগা লানগী প[illegible] লানপাউ তাবগনি হাযবনচিংবসি অতিযাদা শল্লিবা লৈচিলগী মশক-মতৌ ম[illegible] যেংলগা মাংজৌননা খঙবা ঙম্বগী লৌশিং কাংলোন মণিপুবদা যেলহৌঙৈ মতমদগী চৎনবকই। অসিগুম্বা লৈচিনগী মশক-মতৌ মওংশিবু 'শামী লান্মী' হাযনা খঙই। কাংলোনসিবু 'লৈচিললোন' হাযনা খঙনদুনা মৈতৈগী অহলশিংনা খৃৎইদা ইথোক্লুনা থম্বীবম্মী। অসুম্না থম্বীবম্লবা লৈচিললোনগী অবিবা লাইবিক (পুযা) শিংগী মনুংদ 'লৈমাবেল লৈচিললোন' মশক থোকপা লাইবিক্নি। লাইবিকসিদা যাওবা বালোল খবা লৌখৎচগে ঃ

১) লৈচিলনা মুনা কাবা উববদি নোং চুইযে, কুম ফইযে। লেলম যাম্না [illegible]

২) লৈচিলনা শংনা মযেক নাইবা উববদি নোং কাংগ

৩) লৈচিলনা নোংশাগী মশককুম্না মমায ওনশিনববু উববদি লানফমদ, লেপ্না ঙমজযে, যাইফইযে।

৪) নোংশাসু, লাইবেলসু মঙক তৎনা মমৈ লোমনা উববদি মীনা ঙমএ।


৫) লান শোক্লবিঁঙৈদা লৈচিলনা লিনগী মশক ওইনা উববদি চুম্না কাববাদ থিন্না ঙমএ।

৬) লৈচিলনা ঈগী মচুগুম উববদি লৈপাক অমনা লান হৌবকএ। লান লাকত্রবদি লানপাও তাএ।

লৌমীশিং, হিবোইশিং অমদি অতোপ্পা শিল্লমদা তাংজবা মীওইশিংগু নোংজু নুংশাগী কাংলোন্দা থাজবসি মালেমগী মফম পুম্বদা যেলহৌঙৈদগী চৎনবকই। লৈচিলগী তোঙান তোঙানবা শকওং-শক্তম মতুং ইন্না ওইবক্কদবা নোং-চিংগী ফিবম খঙবা ঙম্লম্মী।



৪ Cirrus




৫ Altocumulus



৬ Stratus



৭ Cumulus



৮ Cumulonimbus

সিররুস (Cirrus) অমসুং সিররোসত্রাতুস (Cirrostratus) হাযরিবা লৈচিল মশকসি ওইরবদি নোং-নুংশিৎ শিংলনি হাযবসি নোংমা নৎত্রগা নিনি মাংজৌননা খঙবা ঙম্নরম্মী।

কবিওম্বা লৈচিলগী শকওং-শক্তমনা (Altocumulus) অলতোকুমুলুস অমসুং স্ট্রাটুস (Stratus)ওইরবদি খুদক্তা নোংজু-নুংশা অমদি নোং-চিংগী ফিভম ফত্তবা ওইবনি হাযনা লৌনৈ।

অতিযাদা শল্লিবা লৈচিলনা কুমুলুস (Cumulus) লৈচিলগী মশক ওইরবদি নোং-চিংগী ফিভম ফগনি হাযনা লৌনৈ। অদুবু কবিওম্বদা কুমুলোনিমবুস (Cumulonimbus) লৈচিলগী মশক ওইরকপসু যাওই। অসিগুম্বা লৈচিলগী মশকসি ওইরক্লবদি নোং হৈথনা চুবা তৌগল্লি।

মবিশুবা পন্দুপ

নোং মমিৎ ফাকপা মৈঙাল মৈরীগী হৈন-লিচৎ অমসুং অঙকপা মতিক-মযায়

১) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙাল মৈবীনা থেক্নোই-নাকোইবা লম্বী পবিংদা চৎলি।

২) অখন্নবা লমদম অমদা হেন্না অমদি তোযনা নোং মমিৎ ফাকপা থোকই। অদুগা অকক্লবা মফম অমখক্তা নোং মমিৎ ফাকপগী মৈবীনা হঞ্জিল-হঞ্জিল ফুবা-যৈবগী ওইথোকপা লৈতে। অসুম্না হায়নবা লৈ নোং মমিৎ ফাকপগী মৈবীনা কৈদৌঙৈদসু মফম অমভদা অনিবক হঞ্জিন্না যৈদে।

৩) নোং মমিৎ ফাকপা থৌদোক চাম্মগী মনুংদা হম্মুতবাদি ত্রোপিকেল এবিযাদা লেটিচুদ খা-বাংদা ৩৫ গী মনুংদা থোকই।

৪) নোং মমিৎ ফাকপা থৌদোক চাদা ৮৫ দগী ৯০ গী চাং ফাওবা বংফাল লমদমদা থোকই। মসি সোলব বেডিয়েসননা কংফাল লম্মু থুনা-যাংনা মৈশা ফাওহনবননি। মসিনা কনভেক্সনেল বেন-স্ত্রোমসু থোকহল্লি।

৫) নোং মমিৎ ফাকপা মৈবী লিখুলসিগী অপাকপসি কবিওম্বদা ঐখোযগী খূৎশাশিং অমগী অপাকপগা মান্নবা যাওই। কবিওম্বদনা মাইল ৬ তগী ১০ ফাওবা পাকপসু যাওই।

৬) নোং মমিৎ ফাকপা মৈবী লিখুলগী দাইযামিটবসি ইঞ্চি ১ দগী ২ ফাওবা (সেমিঃ ২-৫) ওই। মসিগা শাগোন্নবিবা মৈশাসিনা নুংশিৎপু ফবেনহিত দিগ্রী ৭০,০০০ (৩৯,০০০ সি) যৌনা মিলিসেকেণ্ড খবখক্কী মনুংদা শাহনবা ঙমই।

৭) নোং মমিৎ ফাকপদা যাওবিবা অপুনবা ইলেক্ট্রিকেল ইনর্জিগী চাদা ৯০ দি মৈশাগী শক্লোন্দা পীথোবকই। অদুগা এটমোসফিযাবদা যাম্না থুনা চোইনা চোইনা চাইথোকই। চামগী মনুংদা অমখক্না খোঞ্জেল ওইনা পীথোবকই। লেমহৌবা শকুক্না মঙাল ওইনা পীথোবকই।

৮) নোং মমিৎ ফাকপদা শাগোন্নবিবা ইলেক্ট্রিক ঈচেলগী মপাঙ্গল মতিংসি তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা খংরাং-রাংখৎপা ঙমই। মাইক্রোসেকেণ্ড অমদা কিলোএম্প্যাব ৪০ যৌবা ঙমই। (এম্প্যাব অসি ইলেক্ট্রিক কবেন্টকী মপাঙ্গল খঙনবা রাহৈনি খুজিংনি। (১০০০ এম্প্যাব = ১ কিলোএম্প্যাব)।

৯) পোজিতিব ওইবা নোং মমিৎ ফাকপদা লৈবিবা ইলেক্ট্রিক ঈচেলগী মপাঙ্গলসি কিলো-এম্প্যাব ৩০০ লোম ওই। মসি নেগেতিব ওইবা নোং মমিৎ ফাকপগী লৈবিবা মপাঙ্গলগী শকুক ১০ বোমনি। কবেন্টকী মপাঙ্গল চাওবনা পোজিতিব ওইবা নোং মমিৎ ফাকপসি থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

১০) নোং মমিৎ ফাকপা অমখক্তা যাওবিবা ইনর্জি অসিনা রাট্ট ১০০ গী ইলেক্ট্রিক বল্ব অমা নুমিৎ ৯০ নি ঙালহনবা ঙমই।

১১) ইনফ্রাসোনিক ওইবা নোং মমিৎ ফাকপদা যাওবিবা ইলেক্ট্রিক কবেন্টকী মপাঙ্গলসি শোল্লি। মসিনা নুংশিৎপু মৈশা পীদুনা শাগৎহনবদা মতম যাম্না চংই। পাক হেক শাগৎহনবা ঙমদে। অদুনা নুংশিৎকী শামনবদগী থোকপা পোকখাযজবগী মতৌদু ওইথোকপা ঙমদে। পোকখাযববসু যাম্না শাথিবা অহৌবা মখোল পীদে। অদুনা তাবা ঙমদবা, তাবা ফংদবসু ওই।

মঙাশুবা পন্দুপ

নোং খাকপা

নোং খাকপা ঃ

নোং মমিৎ ফাকপা থৌদোক্কা খোঞ্জেল অমা শাগোন্নবকই। খোঞ্জেলসি যাম্না হৌবা অযাকপা মখোল ওই। অযাকপা মখোলশিবু খাকপসু হাযনৈ। নোং মমিৎ ফাকপদা শাগোন্নবকপা অহৌবা অযাকপা খাকপা খোঞ্জেলসিবু "নোং খাকপা" হায়না খঙনৈ।

নোং খোঙবা ঃ

নোং মমিৎ ফাকপগা শাগোন্নবকলিবা খোঞ্জেলসিনা অযাকপা, অখাক-অবাওগী খোঞ্জেল ওইদ্রবদি খোঞ্জেলদু নোং খাকপা হাযদবে, 'নোং খোঙবা' হায়না খঙনৈ।

কুমদম নোংখোঙ ঃ

মীতৈগী কুম্বালোনগী চৎনবীদা ফাইবেল থা পানখৎলকপদগী অহানবা নোং খোঙববু 'কুমদম নোংখোঙ' নৎত্রগা 'কুম তম্বা' হায়না খঙনবি।

কুমদম নোংখোঙগী হৌবকফম ঃ

মনিপুবদা কবিগুম্বা মতমদা পোইনু থাদা নোং খাকপা, লেন যাওনা নোং তাবা থোকই। লৌবুক্তা লেননা ফৌ যৈথবগী থৌদোক থোকপা যাওই। অদুবু ৱাকচিং থাদদি (জনুৱাবি) কোবৌ নোংলোন অসি ইং-তপ্পা নে-না তাবা মতৌদা লৈ। বে ওফ বেঙ্গল সমুদ্রগী অৱাং থংবা চিদাইদা লৈবিবা মালেম শিন্না মিংচৎলবা 'সুন্দবন' হায়না খঙনবিবা দেলতাগা পিক্লবা লৈবাক মণিপুবগসি যাম্না নক্কে। অসিগীসু মথক্তা মনিপুবসি বে ওফ বেঙ্গল সমুদ্রসিগী লুতোন্দা লৈ। মসিনা অচৌবা মবম ওইদুনা লমদমসিগী লৈমায়গা নক্লবা নুংশিৎকী লৈবোন্দা চোৎলি-চোৎলাবা ঈনিল-

ঈরাইশিংগী তুংনফম ওইবকই। পৃথিবীগী খোংচৎ মতুং ইন্না ফাইবেল থাদা নুমিৎ অসি ইকেতবগী কোকথক নক্না লৈবে। মসিনা মবম ওইদুনা ট্রোপিকেল লমখৈনুংদা শাগৎপা হেল্লক্রে। মালেম লৈমাযসি শাবা হেনগৎলকপনা মবম ওইদুনা লৈমাযথক্তা লৈমায নক্না লৈবিবা ঈশিং ঈনিল শাগোন্নবা নুংশিৎসু শাগৎলকই। মখোয মশাগী তেম্পবেচবনা মখোযগী অকোইবদা লৈবিবশিংগী তেম্পবেচবদগী হেন্না বাংখৎলকই। তেম্পবেচব হেনগৎলকপা রাংখৎলকপনা কোবৌ নোংলোন নুংদা নে-না তাদবা মতৌ ওইবকই। অদুনা নুংশিৎতা তাওদুনা চৎচবা নৈচিলগী শকওং-শকফমসু মণিপুবদা ফাইবেল থা হৌবকপদগী অহোংবা লাকখি।

'কুমুলুস' অমসুং 'কুমুলোনিমবুস' হাযনা খঙনবা, পাক-চাওনা থক-খা শন্দোক্তুনা লৈবনা মবমচৎ ওইবা, নৈচিলগী শক্তম ফাইবেল থা হৌবকপদগী মনিপুবদা অহাংবা অতিযাদা লৈবা হৌবকখি। হাযবিবা নৈচিলশিং অসি নোং খোঙবা অমসুং নোং মমিৎ ফাকপা থোক্কনবা নৈচিলশিংনি। অসিগুম্বা ফিভমসি মণিপুবগী নোংচুপ অমদি অরাং নোংচুপ মাইকৈদা লৈবিবা চীংশাং পবেংশিংগী নোংথক অতিযাদা যাম্না তোইনা থোক্কল্লি। অদুনা ফাইবেল থা হৌবকপদগী মনিপুবদা অবাং, নোংচুপ, খা-নোংচুপ, খা মাইকৈ মবিসিগী মনুংদা অমদগী নোং খোঙবা তাগনি। মসিবু 'কুমদম নোংখোঙ-কুম তম্বা' হাযনা খঙনবে।

মণিপুবদা লৈবিবা চীংশাংশিংবু 'কুমদম চীং' হাযনা খঙনবগী রাখল্লোনসু লৈবি। খুদম ওইনা মণিপুব লৈবাকসিগী লৈবিবা চীংগী মশক তাকপদা অশৈবশিংনা মখাগী অসুম্না শৈথাবসু থেংনৈ। "কৌব্রু, কৌনু, লোযালাকপা কুমদমচীংনা কোকথোন ওইবী নোংজু-নুংশা তাক্কচীং নোং মাই চীংনা খ্বাংলাক ওইবী।" (সেঙ্গোই সনা. এলাংবম সোনামনি)

কুম তম্বগী রাহঙ্খোক ঃ

কুম তম্বগী নোং খোঙবা অমসুং চহি অমগী কুম তম্বগী মনিপুবদা থাযনঙৈদগী লৈবক্লবা চৎন-কাংলোনগী মতাংদা ইবোইশেম্বদা লৈবা লাইশ্রম বামকুমাবগা লোযননা তাইবেনপোকপী (ইম্ফাল রেষ্ট,সেকমাই কেন্দ্র) মখা লৈকাইদা লৈবা নিংথৌজম দেবগা ইং ২০১৩ জনুরাবী তাং ১৫ নুংথিল পুং ১ তাবদা উনজকই। দেব চহি৮৬ শুবে। অপোকপগী মিংনা গোপাল, মবুবোক্কী মমিং খেত্রিচান্দ অমসুং মধৌগী মিংনা কোমলা কৌই হাযনা নিংশিংবীবকই। ওজাশিনা কুমদমলোনগী মতাংদা মখাগী অসুম্না তাকপীবকই।

কুম অমগী কুম তম্বা মতম যৌবক্লবদা মাইকৈ ঙাকপা লাই কৌব্রুনা ইহান হানবদা চহীসিগী কুম তমলগে হাযবা পাওজেল “গুকুং-গুকুং” হাযবা নোংখোঙ অমগা লোযননা পীবকই। মসিনা অহানবা নোংখোঙনি। অহানবা নোংখোঙসিগী হেক মতুং তাবকপদা খোঙলকপা অনীশুবা নোংখোঙ খোঞ্জেল অমা তাবা ফংগনি। অনীশুবা নোংখোঙনা খোঙখিবা মাইকৈদুনা চহীদুগী কুম তম্বা মাইকৈ ওইনা লৌনৈ।

এন জি কলেজগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইবিবম্বা ওজা ঐচ শ্যামশুন্দবনা ইবা লাইবিক্তসু মখাগী অসুম্না যাওই।“ফাইবেল থা পানখৎলকপদগী অহানবা খোঙবা নোংখোঙবু ‘কৌবা’ কৌই। ইকান কান্নদনা অতোপ্পা মাইকৈ অমদগী নোং খোঙবা অমমু ক তাগনি। অনীবকশুবা নোংখোঙ কৌই। অসিগুম্বা অনীশুবা নোংখোঙ সিবু ‘খুম্বা’ কৌই। ‘খুম্বা’ নোংখোঙ পীবকলিবা মাইকৈসিনা চহীদুগী ঈশিং-নুংশিৎ, নোংজু-নুংশাগী ফিভম শাফগনি নৎত্রগা শাফবোই হাযবা তাকই।”

নিংথৌজম দেবনা মখা তানা তাকপিবকখি। অনীশুবা নোংখোঙসি কৌব্রু মাইকৈদা তাববদি চহীদুগী কুমতম্বসি কৌব্রুনা তমলে। লোইজিংদা তাবগনা লোইজিং (লোযালাকপা) না তমলে। থাংজিং মাইকৈদা তাবগা মাইকৈ ঙাকপা লাই ইবুধৌ থাংজিংনা তম্লে। অসুম্না মাইকৈ ঙাকপা লাই ইবুধৌ ৱাংব্রেলগী মাইকৈদা তাবগা ইবুধৌ ৱাংব্রেলনা কুম তম্লে। অসিগুম্বা কুমদম মাইকৈসিগী মতুং ইন্না চহীদুগী নোং মবাং কাইনা তাগদবা নৎত্রগা ঈশিং ৱাৎকদবা, নুংশিৎ কনগদবা, অখাক-অবাও কনগদবা লেপ্পা ঙমনৈ।

১ - কৌব্রুনা কুমতম্বা ঃ	নোং মযায ওইনা তাই অদুগা অখাক-অবাওসু মযায ওইনা তৌই।
২ - লোইজিংনা কুমতম্বা ঃ	লোইজিংনা কুম তমলবদি অখাক-অবাও অসি অদুক্কী মতিক কল্লি। নোং-নুংশিৎসু কল্লি।
৩ - থাংজিংনা কুমতম্বা ঃ	নোং লিক্লা তাই। ঈশিং মবাং কাইদে। অদুগা অখাক অবাওগী চাংসু হন্থে।
৪ - ৱাংব্রেলনা কুমতম্বা ঃ	ৱাংব্রেলনা কুম তম্লবদি নোং যাম্না তাই। ঈশিং ঈচাও নংগল্লি।

অসিগুম্বা কুমদমলোনগী ৱাখল্লোনসি মণিপুবদা থাযনঙৈদগী চৎনবকলি।

ওজা শ্যামসুন্দবগী লাইবিক্কী মতুং ইন্না

(1) মাইকৈ ঙাকপা লাই কৌব্রন্না নৈবা মাইকৈদা অহানবা নোংখোঙ তাববদি কৌব্রন্না কুমতম্বা কৌই। চহীসিদা নোং মবাং কায়না পাকশন্না তাগনি। ঈশিং ঈচাও থোক্কনি। ইপা-ইপু হাক্তক্তগী থাজনবক্লিবদি - লাইনিংথৌ কৌব্রুদি অৱাংবা চীংদা লৈ। তম্পাক লমদা ঈশিং নৈবা উদে। অদুনা ঈশিং ৱাৎলে খন্দুনা ঈশিং যান্না পীবিবনি।

(11) অহানবা নোংখোঙসি অৱাং নোংচুপ মাইকৈদা তাববদি চহীসি কৌনুনা কুম তম্বা কৌই। চহীসিদা নোং কা হেন্নসু তাবোই। ঈশিংগী অৱাৎপসু লৈবোই। ঈচাও থোক্লোই। ফৌ মবাং কাইনা থোক্কনি।

(111) নোংচুপ মাইকৈদা অহানবা নোংখোঙসি তাববদি লোয়ালাকপনা কুমদম্বা কৌই। চহীসিদা কা হেন্না কন্নবা নোং-নুংশিৎ অমদি অখাক-অবাও থোক্কনি। চহীসিদা উচেক কাকসু মহুম নুংশিৎনা হুমদোকখিদনবা মকোন শাবদা পাম্বীগী অনেম্বা শকক্তা শাই।

(1V) অহানবা নোংখোঙসি খা-নোংচুপ্তা তাববদি ইবুধৌ থাংজিংনা কুমদম্বা কৌই। চহীসিদা নোং তাবগী চাং ৱাৎকনি। ঈশিং লিক্কনি। ঈকং থোকপা যাওই। চাক তাংবা থোকপা যাই। পাবী-পুবী হাক্তক্তগী থাজনবক্লিবা ৱাবোলদি - পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্লা লৈতেংদুনতা নৈবা লোক্তাক পাৎপু ইবুধৌ থাংজিংনা মতম পুম্বদা শকচান্নদুনা লৈ। ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতে। নোংগী তঙাইফদবা লৈতে হায়না খল্লি। অদুনা ঈশিং পীদে।

মৈতৈগী অবিবা খুৎই লাইবিক 'সুবিকা' দা যাওবিবা ৱাবোলদি কুম তম্বগী অফ-ফৎতদি সজিফোই থাদা হৌএ। অফ-ফৎতগী ৱাদি অসুন্না হায। কালেন নাইএ। নোং কাংএ। কুম ফৈএ। কুমজিন ফৎতে, কুমমৈ ফৈএ। কুমজিন ফৈএ। কুমযায কাংএ। অযুক চুবা হৈনৈএ। কুমজিন কুমমৈ ফৎতে।

ৱাহঙ্গোক্তি মখাগী অসুন্না পীবা যাই। কালেন থাদি নুংশা যান্না শাবা, নুংশাগী মৈশাসু যাকপা, শন্না ওলাংথা কৌনবিবনি। চহী অমগী কালেন থাশি অসুন্না নুংশা-চিংশাগী চাংসি নৈববদি মদুবু 'কালেন নাইবা' কৌই। কালেন থাদা নুংশা ইশা শাদ্রবা, নোং চিফেৎ-চিফেৎ তাদুনা নৈববা, অদু ওইববদি চহীদু 'কালেন নাইদবা'হাযবনি। কবিগুম্বা নোংজু পাম্বাদা নোং চুগদবা চাং যৌনা চুদ্রবা, ঈশিং ৱাৎতুনা লৌউ-

শিংউবগী থবক ৱাযোং চাদ্রবদি কুমদু 'কুম কাংবা' নৎত্রগা 'নোং কাংবা' কৌই। নোং চাং চানা চুদুনা ফৌ, মহৈ-মবোং চুল্লবদি 'কুম ফবা' হাযএ। ইঙা-ইঙেন থাদা নোং ইতা তাদ্রবদি কুমদু 'কুমজিন ফৎতবা' নৎত্রগা 'কুমজিন কাংবা' হাযএ। নোংগী চাং চানা তাবগনা 'কুমজিন ফবা' হায। মেবা-হিযাঙ্গৈ থাদা নোং চাং চানা তাববদি অদুবু 'কুমমৈ ফবা' কৌই। তাদ্রগনা 'কুমমৈ ফৎতবা' কুমমৈ কাংবা হায। থৱান-লাংবন থাদা নোং ইতা তাদ্রবা, কুমযাই কাংবা কৌই। নোং তাবসু অযুক্কী নোংহৌ ওইনা তৌবা। অযুক চুবা হৈনবা হায। কবিওম্বা হিযাঙ্গৈ থামৈদা নোং শাংথনা তাদুনা লৈববদি 'কুমমৈ চোনবা' হাযনৈ।

মণিপুবগী খা-নোংচুপ থংবা ঙমখৈ পবিংসি বে ওফ বেঙ্গল হাযবিবা সমুদ্রসিদগী কিমি ২৫০ খক্তমক লাপ্না লৈ। বে ওফ বেঙ্গলদগী হৌবকপা শাফু কনবা নোংলৈ-নুংশিৎ (সাইক্লোন) অসি অযাম্বা মতমদা ভাবতকী অবাং-নোংচুপ থংবা মাইকৈদা হুমদুনা চৎকল্লি। মসিনা অন্ধ্রপ্রদেশ অমসুং উবিষ্যাগী সমুদ্র খোংবানলোমদা মাযোন তমখি। কবিওম্বদসু অৱাং নোংপোকলোমদা মাযোন তম্লকপসু যাওই।

ওলাংথা অমসুং নোংজুথাগী মতমদা সমুদ্র অসিদগী হৌবকপা শাফু কনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মণিপুব যৌবক্তুনা লমদমসিদা অকনবা চৈথেং পী। অসিগুম্বা নোংলৈ-নুংশিৎ অসি চহী খুদিংগী অহুমলক নৎত্রগা মবিবক্তি মণিপুব যৌবকই। (ঐচ শ্যামসুন্দব)

মালেমসিদা থোক্লিবা নোংলৈ-নুংশিৎশিংগী মমিং থোন্নবা 'বার্ল্ড মেতেওবোজিকেল ওবগনাইজেসন' অমসুং 'ইউনাইটেদ নেসন্স ইকোনোমিক এণ্ড সোসিযেল কম্মিসন ফোব এসিযা এণ্ড দি পেসিফিক' হাযবিবা লুপ অনীসিনা থবক পাযখৎপা হৌখি। ইন্দিযান মেতেওবোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকপা ৱাবোলগী মতুং ইন্না ইন্দিযান ওসিন, বে ওফ বেঙ্গল অমসুং অবাবিযান সিদগী হৌবকপা নোংলৈ-নুংশিৎসিংগী মমিংসি লৈপাক নিপাননা মমিং থোল্লি। লৈপাকশিং অদুদি-

১ - ইন্দিযা,	২ - বঙ্গলাদেশ,	৩ - মালদ্বিপ,
৪ - শ্রীলঙ্কা,	৫ - ম্যানমাব,	৬ - পাকিস্তান,
৭ - ওমান,	৮ - থাইলেণ্ড,	

নোংলৈ-নুংশিংকী মশক, মতিক-মযাই তাকপদা থোনগদবা মমিং ৬৪ গী মিং পবেং অমা লৈবাক নিপানসিনা শেমদুনা লৈখ্রে। মসি মযেক শেংনা মখাগী টেবল / চার্ট অসিদগী খঙবা ঙমগনি।

লৈবাক মমিং	মথং মনাও	নোংলৈ নুংশিং মমিং	মথং মনাও	নোংলৈ নুংশিং মমিং	মথং মনাও	নোংলৈ নুংশিং মমিং	মথং মনাও	নোংলৈ নুংশিং মমিং
বঙ্গলাদেশ	১	ওনিল	৯	ওগনি	১৭	নিশা	২৫	গিবি
ইন্দিযা	২	অগনি	১০	অকাশ	১৮	বিজলি	২৬	জাল
মালদ্বিপ	৩	হিবাক	১১	গোনু	১৯	অইলা	২৭	কৈলা
ম্যানমাব	৪	পযাব	১২	যেমযিন	২০	ফযান	২৮	থানে
ওমান	৫	বাজ	১৩	সিদব	২১	ৱাবদ	২৯	মুবজান
পাকিস্থান	৬	ফানুস	১৪	নবগিস	২২	লাইলা	৩০	নিলম
শ্রীলঙ্কা	৭	মালা	১৫	বাশমি	২৩	বন্ধু	৩১	মহাসেন
থাইলেণ্ড	৮	মুকদা	১৬	খাইমুক	২৪	ফেত	৩২	ফাইলিন
বঙ্গলাদেশ	৩৩	হেলেন	৪১	চাপালা	৪৯	ওকখি	৫৭	ফানি
ইন্দিযা	৩৪	লেহব	৪২	মেঘ	৫০	সাগব	৫৮	ভাযু
মালদ্বিপ	৩৫	মাদি	৪৩	বোএনু	৫১	মেকুনু	৫৯	হিকা
ম্যানমাব	৩৬	ননাউক	৪৪	কযান্ট	৫২	দাযে	৬০	কযাব
ওমান	৩৭	হুধুদ	৪৫	নাদা	৫৩	লুবান	৬১	মাহা
পাকিস্থান	৩৮	নিলোফাব	৪৬	ভাবদাহ	৫৪	তিতলি	৬২	বুলবুল
শ্রীলঙ্কা	৩৯	প্রিযা	৪৭	অসিবি	৫৫	গিগুম	৬৩	সোবা
থাইলেণ্ড	৪০	কোমেন	৪৮	মোবা	৫৬	ফেথাই	৬৪	অমফান

সোর্স - এন দি টি ভি কোবেস্পোন্দেন্ট

অপডেটেং : মে ২০, ২০১০, ১৭ ১৫ আই এস টি

মিং পবেংসিদগী মথং-মনাও নাইনা লৌদুনা নোংলৈ-নুংশিংকী মমিং থোনবা ইং ২০০৪ দগী হৌখ্রে। নোংলৈ-নুংশিং অদু হেক লোইখিবগা মমিং অদু মখা তানা শিজিন্নদ্রে। ইং ২০১১ গী দিসেম্বব ৩০ ফাওবদা মমিং ২৮ শিজিন্নখ্রে।

নোংলৈ-নুংশিং খবদি কবম্বা চহিদা মমিং থোনখিবা হাযবদু মখাগী চার্ট অসিদগী খঙবা ঙমই।

মথং মনাও	মমিং থোল্লকখিবা লৈবাক	নোংলৈ নুংশিংকী মমিং	মমিং থোনখিবা চহি
১	পাকিস্থান	নবগিস	২০০৮
২	শ্রীলঙ্কা	বসমি	২০০৮
৩	ইন্দিযা	বিজলি	২০০৯
৪	মালদ্বিপ	অইলা	২০০৯
৫	ম্যানমাব	ফাযান	২০০৯
৬	পাকিস্থান	লাইলা	২০১০
৭	বঙ্গলাদেশ	নিশা	২০১০

(১) 'থানে' হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসি ম্যানমাব লৈবাক্লা থোনবা মমিংনি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসি ইং ২০১১ দিসেম্বব ৩০ গী অযুক্তা টামিলনাডুগী সমুদ্র খোঙবান্দা শিৎখ্রে।

(২) 'মুবজান' হাযনা মিঙ্গৌবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসি ওমান লৈবাকা থোনবা মমিংনি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসি ইং ২০১২ ওক্তোবব তাং ২৪, যুমশকৈশ নুমিৎতা সোমালিযাগী সমুদ্র খোঙবান লমদমদা শিৎখ্রে।

(৩) 'নিলম' হাযবিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিগী মমিংসি পাকিস্থাননা থোনবা মমিংনি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসি ইং ২০১২ গী ওক্তোবব ২৮ দা বে ওফ বেঙ্গলদগী হৌবকখি। ওক্তোবব ৩০ দা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ ওইবকখি। ওক্তোবব ৩১ দা টামিলনাদুগী মহাবলিপুবম লমদমদা যৌবকখি। নোংলৈ-নুংশিৎ নিলম অসিনা শ্রীলঙ্কাগী অৱাং-নোংপোক থংবা অমদি খা-ভাবতকী লমদমশিংদা অকনবা চৈথেং পীখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসি ইং ২০১২ নবেম্বব ১দা তপথখ্রে।

(৪) অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ 'মহাসেন' হাযবা মমিংসি শ্রীলঙ্কানা থোনবনি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা ইং ২০১৩ গী মে তাং ১৩, কালেন ৩ নি পানবা নিংথৌকাবদা শ্রীলঙ্কাগী অৱাং-নোংপোক থংবা শকক্তা শিংখি। অদুগা বে ওফ বেঙ্গলদগী অৱাং পাংনা হাযগৎলক্লগা বঙ্গলাদেশকী খা থংবা সমুদ্র মপানগী লমদমদা তাং ১৭, কালেন ৭ নি পানবা ঈবাইদা যৌশিল্লকখি। মতৌ অসুন্না ইং ২০১৩ গী আগষ্ট থা ফাওবদা নোংলৈ নুংশিংকী মমিং মথং মনাও লাকপনা নম্বব ৩১ ফাওবা শিজিন্নখ্রে।

মণিপুরদা যৌবকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী হৌবকফম অমসুং মণিপুর যৌবক্লবগী লম্বী লিখুল ঃ

মালেমগী মফম কযাদা থোকলিবা ঋতু হোংবগী থৌশিলসি পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোইবদা কোইবদগী থোকহনবা অদুগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিংনা নুমিৎতগী মৈশা ফংবা, চুপশিনবগী চাং খেন্নবদগীনি।

মালেমগী নোংথক অকোইবদা লৈবিবা লেংলি-হুমলিবা নুংশীৎকী অযাম্বা শরুক্তি পৃথিবীগী ইক্কেটবগী খা-ৱাং ২০° এন অমসুং ২০° এস কী লমখৈনুংদা ফাজিন্দুনা লৈ। হাযবিবা লমখৈনুংসিবু "ট্রোপিকেলগী পনখৈনুং" হাযনা খঙনৈ।

কালেন থাগী মোনসুন হৌবকত্রিঙৈদা ইক্কেটবগী নাক-যেৎতা চাওবাক্লা ৫," এন অমসুং ৫° এস কী মনুংদা লো প্রেসরনা কোযশিনবা মফম অমা লৈবকখি।

লো প্রেসর লৈবা মফম অমগী অকোযবদা মালং নুংশিৎকী ঈবৈ লৈবকখি। অসিগুম্বা ঈবৈ শেম্লকখিবা মফমসি নোংলৈ নুংশিৎকী মরূ হুনফম ওইবকই। নোংলৈ নুংশীৎ শেম্লকপা থোবকপবু ইংবাজিদা 'দিপ্রেসন' হাযনা খঙনৈ। নোংলৈ নুংশীৎকী মতিক-মযাইসি নুংশিৎতুগী শাফু মপাঙ্গল কনবা নৎত্রগা শোনবগী চাংনা লেপই। ঈবৈশিংবু শেমলিবা নুংশিৎকী মপাঙ্গলসি যাম্না কল্লবা অদু ওইববদি দিপ্রেসন অসি "দিপ দিপ্রেসন" হাযনা খঙনৈ। নুংশীৎকী খোঙজেল হেন্না যাংখৎলক্লবা, শাফু থোইদোক্লা কনখৎলক্লবদি থোক্লিবা দিপ্রেসন অদু 'সাইক্লোনিক স্ত্রোম' / অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ' হাযনা মীযাম্না খঙনবে। মতৌ অসুম্না দিপ্রেসন অসিনা ট্রোপিকেল স্ত্রোম নৎত্রগা সাইক্লোনগী শক্তম লৌবকই।

নোংলৈ নুংশিৎকী তোঙান-তোঙনবা শক্লোনশিংগী মশক অসি মিটেওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দিযানা লেপখ্রে। মসি মখাগী চার্ট অসিদগী খঙবা ঙমই।

নুংশিৎ ঈবৈগী মখল-মখা তাকপা চার্ট ঃ

নুংশিৎকী যাংবগী চাং	নুংশীৎ ঈবৈগী মশক
৮৫ মি / সে	লো
৮৫-১৩৫ মি / সে	দিপ্রেসন
১৪০-১৬৫ মি / সে	দিপ দিপ্রেসন
১৭০-২৩৫ মি / সে	সাইক্লোনিক স্ত্রোম
২৪০-৩১৫ মি / সে	শাথিবা সাইক্লোনিক স্ত্রোম
৩২০ দগী হেন্না যাংবা	টাইফুন /হরিকেন

অসিগুম্বা অকন্নবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা ইন্দো-চীনা নৎত্রগা চীনাগী খা-থংবা চীংলমদমগী শরুক্তা ফাওদুনা হুম্লক্লগা কোনথংদা 'বে ওফ বেঙ্গল' গী অৱাং থংবা মবমখৈদা চংশিল্লকই, যৌশিল্লকই। ইন্দিযাগী মফম কযাদা মোনসুনগী মতমদা নোং নীংথিজনা তাবিবসি বে ওফ বেঙ্গলদা লৈবকখিবা নোংচুপ পাংনা হুম্লকপা দিপ্রেসন নৎত্রগা লো প্রেসবশিংগী থৌইশিন্ননি।

সাইক্লোনিক স্ত্রোমনা বে ওফ বেঙ্গলগী অৱাং থংবা শরুক্তগী নোংচুপ পাংনা হুমলকপনা খা ভাবত অমদি বেঙ্গল অমসুং আসামগী খা থংবা শরুক্তা নোং তাবা, নোং চুবগী লমখৈ পবিং অমা শেমলকখি।

অইবা পি কে ডাস না আসাম হাযবিবসিদা মনিপুবসু কোনশিল্লি। মবমদি বৃটিশনা ভাবতবর্ষবু লৈঙাকলিঙৈ আসাম হাযবগা মণিপুববুসু পুন্না খঙনবমই। আসামগী চিফ কম্মিস্নাবগী লৈঙাক্রোন মখাদা মণিপুবসু যাওই। মোনসুন থা মমাংগী অঙনবা মতমসি বে ওফ বেঙ্গল অমসুং অবাবিযান সিদা ত্রোপিকেল স্ত্রোম লৈবক্লবা শেম্লক্লবগী চুন-চানবা তাঞ্জা ওই।

ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহাব অমসুং আসাম হাযবিবা লমদমসিং অসিদা মোনসুন থাগী মাংওইননা এপ্রিল অমসুং মে থাদা অখাক-অবাও যাওবা নোং নুংশীৎ থোক্কল্লি। অৱাং নোংচুপ মাইকৈদগী হুমলকপা নোং নুংশীৎনি হাযবগী 'নোঠ ৱেষ্টবস' হাযনা মিংথোল্লি।

বেঙ্গলদদি বৈশাখী থাগী অমমবা লৈচিল 'কাল বৈশাখী' হাযনা মিংথোল্লি। মতৌ অসুম্না মে থাদা শিৎপা নোংলৈ নুংশিৎপু চান-চুনবা মমিং থোল্লি। মণিপুবদসু শজিবু অমসুং কালেন থাদা অখাক-অবাও যাওনা নোং নুংশীৎ তোইনা থোকই। 'শজিবুগী নোংলৈ নুংশিৎ' হাযনা অইবা কযানা মতাং চানা শিথানবি। নোং নুংশিৎকী অৱা চৈথেংলক্তা নোংমৈ শীংজং তাবদগী মী শিবা, উপাল তেকপা যাওই, মণিপুবদা শজিবু-কালেন থাদা নোং নুংশিৎ শিৎপা, নোংমৈ শীংজং তাবগী খুদম খবা মখাদা থমজবি।

১) শক ১৭০৩, ইং১৭৮১ শজিবু ৪ ঈবাইদা নুংশিৎ যাম্না কন্না শিৎতুনা নিংথেমগী শঙ্গাযনচিংবা লৈপাক মীযামগী যুম যামনা তেকএ। উ-ৱা অযাম্বসু তেকএ।

২) শক ১৭২৯, ইং১৮০৭ শজিবু ১৬ নি শকোনসেনতা শংকাইতা নোংমৈ শীংজঙ তাইএ।

৩) শক ১৭৭১, ইং১৮৪৯ কালেন ৪ শগোনসেন্দা থৌবান্দোং চীংখোংদা থক্কী তেন তাদুনা নিংথৌজম বসিকানন্দপা শিএ।

৪) শক ১৭৭৬, ইং১৮৫৪ কালেন থাশি ঈবাইদা খাগেম পল্লিদা থক্কী তেননা পান্দুনা শন মপী মচা ২বু শিএ। অমনা লাইযিংথৌ সনামহীদসু তাই।

৫) শক ১৭৮৫, ইং১৮৬৩ শজিবু ১৮ নি লৈপাকপোকপদা লোংজমগী মৌ ১, লৈশাংথেমগী মনাই ১ ব্রজনা থাদুনা শিএ।

৬) শক ১৭৮৭, ইং ১৮৬৫ শজিবুগী ১৭ শগোলসেন্দা হৈনৌখোং-নেম্বীগী ঙাংবমগী যুমদা থক্কী তেন তাদুনা মনাইনুপী ১ শোবাইশম নিপা ১ শোক্তুনা শিএ। চহীসিমক্কী কালেন থাগী ১৬ নি শগোলসেন্দা নুংশিৎ কন্না শিত্তুনা লানমী থোঙলেন তেক্তুনা মী যাম্না নললে। কোঞ্জেংবা কুৎতি শিএ। মী খবা শোকএ। কংলা উত্রা, অৱাংথোং, শামুখোং, লৌকংশঙ, অবোংবা লোইশঙ, মযাং লোইশঙ শংশাবোই লোইশঙ, পাৎচ লোইশঙ, শঙলুংশঙ, সিফাই লোইশঙ ১১ তেকএ। চিংনাংখোংনাং মশা ৩ তেকএ। খুল্লক্কী যুম কৈ, উ-ৱাসু তেকএ।

৭) শক ১৭৯০, ইং১৮৬৮ কালেন থা ২১ নি ইমশকৈশদা কোইবেনকৈদা মী ১ থক্কী তেন্না থাদুনা শোকএ। শিদে।

৮) শক ১৭৯৩, ইং১৮৭১ শজিবু ১৯ নি নোংমাইজিং নুমিৎতা তেকচমদা মাইবম মচা নুপী ১ নোংমৈ শীংজংনা শোক্তুনা শিখি। থা অসিমক্কী ২৯ নি লৈপাকপোকপদা ফুবালাদা লাইশ্রম অতোমচা কৌবা নীপা অমা নোংমৈ শীংজংনা শোক্তুনা শি।

৯) শক ১৭৯৫, ইং ১৮৭৩ শজিবু ২৮ নি ঈবাইদা অহিংদা নুংশিৎ যাম্না কন্না শিৎতুনা মাইশ্নাম নুপী ১ যুম্না নন্দুনা শিএ।

১০) শক ১৮৪৫, ইং ১৯২৩ শজিবু ১৩ নি ঈবাইদা লেন তাই, থক্কী তেনসু তাই। কালেন থা ৫ নি থাঙজদা খ্বাইবম্বন্দ দুকান কৈথেনগী অৱাংদা থক্কী তেন তাদুনা যুম ৭ চাকএ।

১১) শক ১৮৪৬, ইং ১৯২৪ শজিবু ১০ নি লংমাইজিং নুমিৎতা নম্বোল লাইতোনজমদা নুংশিৎ শিৎপদা যুম তেক্তুনা নুপী ১ নিপা ১ শিএ। থাঙ্গদসু লেন হাকনা তাদুনা শন ১৩ শিএ। কালেন ৮ নি নিংথৌকাবদা ইবোইশেম্বদা থক্কী তেন তাদুনা ৱাকোংথোন নুপী ১ শিএ।

১২) শক ১৮৫৪, ইং ১৯৩২ শজিবু ২১ নি লৈপাকপোকপদা লেন যাম্না তাই। নুংশিৎ কন্না শিত্তুনা উচেককোন্দা মোইবাংথেম নুপী মমামচা যুম্না নন্দুনা শিএ। খোংমন মশাংদা যুমনে, শঙ্গোইনে ১৫ তেকএ। উজাও, ৱাজাও যাম্না তেকএ।

১৩) শক ১৮৫৬, ইং ১৯৩৪ কালেন ২৩ নি লৈপাকপোকপদা গৌবসিং খোংনাং মখোংদা থক্কী তেন তাদুনা মোইবাংথেমচা ১ শিএ।

১৪) শক ১৮৬১, ইং ১৯৩৯ কালেন ১৬ নি শগোলসেন্দা (তাং ০৪-০৫-১৯৩৯ ইং) নুমিদাং নুংশিৎ কন্না শিৎপদা কৈথেল কাবীশিং কাঙবম লৈকাইদা নোং থুপ্লদা নুপী ২ শিএ, অতৈ খবসু শোকএ। চিংনাং খোংনাংসু তুই। উজাও, শঙ্গোই-লুকোই যাম্না তেকএ।

১৫) শক ১৮৬৮, ইং ১৯৪৬ লমতা ২৭ নি থাঙজদা (শজিবু নকশিল্লক্রে) লেন যাম্না তাই। নুংথিল পুং ৪ দা তাবনা নোংঙানবগী অযুক পুং ৯ ফাওবা লেন তুমদে।

১৬) শক ১৮৭৩, ইং ১৯৫১ শজিবু ২০ নি শগোনসেন্দা নোং নুংশিৎ কন্না শিত্তুনা তালযৈবা লোইশঙ হুমদোক্তুনা তালযৈবা ইবোমচাগী মনমদা জিঙঘনা যাল্লি। অদু নুমিত্তা কোনুংগী হিজগাংসু তেকই। লৈহাও থাবমগী লৈহাও লাইওইবা উ অচৌবা অদুসু তেকই। মদুদা লাইগী মন্দিব নন্দুনা ঈশ্ববগী মখূৎ নামা তেকই। খুল্লক্কী উ-ৱা, যুম, শঙ্গোই যাম্না তেকই।

১৭) শক ১৮৭৫, ইং ১৯৫৩ শজিবু ২৪ নি শগোলসেন্দা নুংশিৎ কন্না শিত্তুনা যুম-কৈ যাম্না তেকএ।

১৮) শক ১৮৭৭, ইং ১৯৫৫ শজিবু ১ নি ঈবাইদা নুংশিৎ হাকনা শিত্তুনা হিজিগাং তেকএ। প্রজাগী যুমসু যাম্না তেকএ। নিংঙোম্বম থোংজাওদা শোক্তুনা মীসু শিএ।

১৯) ইং ২০০৬, এপ্রিল (শজিবু) তাং ৩ নিংথৌকাবদা নোং নুংশিৎ মবক্তা তাবকপা নোংমৈ শীংজংনা শোক্তুনা যাঙ্গোই খোংবান্দা মপা মচানিপা শিখি।

২০) ইং ২০০৮, মে (কালেন) তাং ২২ নি শগোলশেন নুমিৎতা শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইদা নোং নুংশিৎ শিৎপা থৌদোক্তা নোংমৈ শীংজং তাবক্তুনা উপাম্বী ১ শোকখি।

২১) ইং ২০১২, এপ্রিল (শজিবু) তাং ৪ নি যুমশকৈশ নুমিৎ যুংবা মতুং পুং ১ ৫০ বোম তাবদা কাইবংদা নোংমৈ শীংজং তাখি। থা অসিমক্কী তাং ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎতা অহিং পুং ১১ ৩০ বোম তাবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মবক্তা নোংমৈ শীংজং তাবদগী তেম্থা মবোংবন্দা যুম অমা মৈনা চাকখি। নুমিৎশিমক্কী অহিং অথেংবদা নোংমৈ শীংজং তাবকপদগী উখ্রুলদা যণ তবেৎ শিখি।

২২) ইং ২০১২, মে (কালেন) তাং ২৮ গী পুং ৩ ১০ (এ এম) তাবদা চুডাচান্দপুবগী জৌখানম খুলদা নোংমৈ শীংজং তাবকখি।



৯ চুডাচান্দপুব সহব লেন তাদুনা যুম ৫০ রোম মহৈশঙশি, চচ্চকী বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোকহনা। (হুয়েন ল্যানপাউ, তাং ৪-৫-২০১৩ ইং)

২৩) ইং ২০১৩, মে ০৩ শজিবু ২৪ নি ঈবাইগী অযুক পুং ৬ বোম তাবদা চুডাচান্দপুব দিষ্ট্রিকতা অকনবা নোং নুংশিৎ মবক্তা অঙকপা মওংদা লেন তাখ্রে। পুঙ্খায অমা হেন্না তাবকখিবা লেনগী মপৈশিংনা কুপখিদুনা লম্বী পুম্বা লম্বীনি হাযবা খঙখিদে। লম্বী অমদি লৌবুক লম্মাং পুম্বা লেনগী মপৈনা কুপখিদুনা পুং অনীবোম পুমঙৌ ঙৌনা লৈখি। লেন পুবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চুডাচান্দপুব সহবমক্তদা যুম ৫০ বোম অমদি মহৈশঙশিং, চর্চ্চকী বিল্ডিং কযা অমাঙ-অতা থোকহনখি। (হুযেন লানপাউ তাং ০৪-০৫-২০১৩)

মণিপুবদা অঙকপা মওংদা লেন তাবগী থৌদোকতি মথক্তা নম্বব ১৫ দসু লৈখ্রে।

২৪) নোংজুথা মনুংদা মণিপুবদা নোংমৈ শীংজং যাম্না তাবা নুমিৎসু লৈখ্রে। শক ১৭১৪, ইং১৭৯২ ইঙেন ২৯ নি যুমশকৈশদা অহিং নোং যাম্না খাকএ। নোংমৈ শীংজং ৩১ তাএ। নোংথৌ পূমনা নোংথাঙ কুপএ। লৈপাক পূমনা ঙাল্লে।

ত্রিপুবাদা ইং ২০১৩ গী শজিবু থা লোইবমদাইদা নোং নুংশিৎ শিৎপদগী মীশি-মীনা যাওখ্রে, মহৈ-মবোং মাং তাকখ্রে। পবাব ত্রান্সফোবমবর্নচিংবা অকায-অতোই থোকহনখ্রে।

কালেন থা পানখৎলকপা তাং ১১-০৫-২০১৩ গী অযুক্তা মিজোবামদা আইজলগী অৱাংথংবা শকুক্তা অখাক-অবাও যাওবা নোং-নুংশিৎ থোকপদগী মীওই তবা শিখ্রে। যুম কযা হুমদোকখি। মীওই ৭ থিবা খঙখিদে।

ইং ২০১৩ গী কালেন থাদা বে ওফ বেঙ্গলগী নোংচুপ ওইবপ্পা হৌবকখিবা মমিংনা 'মহাসেন' হাযনা মিংথোনবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শ্রীলঙ্কাগী অৱাং নোংপোক থংবা শকুক্তা যৌবকখি। তাং ১৩-০৫-১৩ (কালেন ৩ নি পানবা নিংথৌকাবদা শ্রীলঙ্কাদা মহাসেন সাইক্লোন লাকপদগী মীওই ৩,০০০ হেনবগী মযুম-মকৈ মাং-তাকহনখ্রে। মীওই ৭ শিখ্রে। মহাসেন নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা বে ওফ বেঙ্গলদগী অৱাং পাংনা হাযগৎলক্লগা বঙ্গলাদেশকী খা থংবা সমুদ্র মপান্দা যৌবকখি। তাং ১৭-৫-২০১৩ বঙ্গলাদেশতা কালেন ৭ নি পানবা ঈবাইদা মহাসেন সাইক্লোনগী চৈথেংদা মীওই ১৩ শিখ্রে। যুম-কৈ কযা তেকখি। মখা তানা মহাসেন সাইক্লোন অসি ভাবতবর্ষগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা যৌবক্কনি হাযনা অখঙ-

অহৈশিংনা হায়নখি। মিজোবাম অমসুং মণিপুরদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী খুদোং থিবদগী ঙাকথোক্লবা সবকাবনা তাং ১৭-৫-১৩ নুমিৎ অসি মহৈলোযশংশিং ছুতি লাওথোকখি।

কালেন থা তাং ২০-৫-২০১৩ নিংথৌকাবদা আমেরিকাগী ওকলাহোমা সহৰদা 'তোবনাদো' হায়না খঙনবা শাথিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলক্লুনা মীওই ৯১ শিখি। যুম-কৈ কয়া মাং তাকখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা কিমি ৩ পাকশন্না হুমলকখিবনি।

লো প্রেসব লৈবা মফমদগী ট্রোপিকেল ষ্ট্রোম অসি হৌবকই। মসিনা মহাসমুদ্র মথক লাননা শিৎলকপদা ঈশিং ঈনিলগা শাগোন্নবক্লে। অদুগা হেন্না মপাঙ্গল কনবা ষ্ট্রোম, পাঙ্গল্লবা নোংলৈ নুংশিৎ ওইবক্লে। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোঙান-তোঙানবা মমিং থোললি।

(১) খা থংবা হেমিসফিযাবদা থোকপা নোংলৈ নুংশিৎপু 'সাইক্লোন' হায়না মিংথোল্লি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা ক্লোকৱাইজ ওইবা মাইকৈদা লৈনা হুমগনি।

(২) অবাং থংবা হেমিসফিযাবগী এটলান্তিক ওসিন, কাবিব্বিন অমসুং পেসিফিক ওসিনগী অৱাং নোংপোক লমদমদা থোকপা নোংলৈ নুংশিৎপু 'হরিকেন' হায়না মিংথোল্লি। মসিনা এন্টিক্লোকৱাইজ ওইবা মাইকৈদা লৈনা হুমই।

(৩) এসিয়াগী লমদম খবদা অমসুং চিনাগী খা সমুদ্রদা থোকপা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎপু 'টাইফুন' হায়না খঙনৈ।

(৪) অমেরিকাদা থোকপা শাথিবা নোংলৈ নুংশিৎপু 'টোবনাদো' হায়না খঙনৈ। মসি পাক-শন্না থোক্কনদে। অদুগা শাথিবদি হেল্লি।

মোনসুন থা মনুংমকতদি ট্রোপিকেল স্ট্রোম অসি যাম্না তোইনা থোক্কনদে। জুন অমসুং সেপ্তেম্বব থাগী মবক্তা বে ওফ বেঙ্গলদগী কংফাল লম তম্না চাংচৎতা নিপাল্লকতি সাইক্লোন অকনবা নোংলৈ নুংশীৎ শিৎলকই।

ৱাফমসি যেংউবগা লমাই ২১ দা পনখিবা মণিপুবদা চহীদা সাইক্লোন অহুম্লক নৎত্রগা মবীবক্তি যৌবকই হায়বসি অচুম্বা ওই।

ইং ১৮৯১ দগী ইং ১৯৬০ ফাওবদা চহী ৭০ গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা থাশিংদা বে ওফ বেঙ্গল অমসুং অবাবিযান সিদা নোংলৈ নুংশিৎ থোকখিবা মশীং মখাগী চার্ট অসিদগী খঙবা ঙমই।

থা মমিং	বে ওফ বেঙ্গল	অবাবিযান সি
জনুৱাবি	৪ (১)	২ (০)
ফেব্রুৱাবি	১(১)	০ (০)
মার্চ	৪ (২)	০ (০)
এপ্রিল	১৮(৭)	৫ (৪)
মে	২৮ (১৮)	১৩ (১১)
জুন	৩৪ (৪)	১৩ (৮)
জুলাই	৩৮ (৭)	৩ (০)
অগষ্ট	২৫ (১)	১ (০)
সপ্টেম্বব	২৭ (৮)	৪ (১)
ওক্টোবব	৫৩ (১৯)	১৭ (৭)
নবেম্বব	৫৬ (২৩)	২১ (১৬)
দিসেম্বব	২৬ (৯)	৩ (১)
অপুনবা	৩১৪ (১০০)	৮২ (৪৮)

ব্রেকেট মনুংদা লৈবা অঙ্ক মশীংনা কা হেন্না শাথিবা নোংলৈ নুংশিৎপু খঙহল্লি।

মথক্কী চার্টসিদগী খঙবা ঙল্লিবদি আববিযান সিদগী বে ওফ বেঙ্গলদনা নোংলৈ নুংশিৎ হেন্না থোকল্লি। বে ওফ বেঙ্গলদা ওক্টোবব অমসুং নবেম্বব থাদনা নোংলৈ নুংশিৎ খ্বাইদগী যাম্না থোকই। অবাবিযান সিদা মে, জুন, ওক্টোবব অমসুং নবেম্বব থাশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ তোযনা থোকল্লি।

কা হেন্না নোং তাবসিদি হিবম অহুম খক্তা নৈনবা চৎনৈ। (১) ক্লাউদ বর্ষ্ট, (২) মোনসুন দিপ্রেসন, (৩) ত্রোপিকেল সাইক্লোন । তেল্লবা মতমগী মনুংদা মফম খবা খক্তা খঙহৌদনা নোং হৈথবমখৈ চুবা নোংজুবু ক্লাউড বর্ষ্ট হাযনা খঙনৈ। মসিনা ইখঙ-খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি। অদুগা যাম্না থুনা মযেং তাখি।

ইং ১৯৫৮ দা দিল্লিদা ক্লাউদ বর্স্টকী নোংজু থোকখি। চহীসিগী জুলাই তাং ২০ অমসুং ২১ গী মবক্তা পুং ২৪ গী মনুংদা নোং তাবগী চাংসি সেমিঃ ২৬৬ (১০৫ ইঞ্চি) যৌখি। অসিগুম্বা নোংজু অমসুং ঈচাও বাজস্থানদা ইং ১৯৭৯ দা থোকখ্রে। জুলাই থাগী তাং ১৬ তা অজমেরদা নোং সেমি ২৯৪ যৌনা তাখি। 'লুনি' তুরেল মথক্তা শাবা থোং খুদক্তা চাওবকপা ঈশিং ঈচাওনা চেন্থখি।

ব্লাফম অমসু লৈবি ঃ মনিপুরগী খা নোংপোকলোমদা নোং মম্না হৌবক্লবদি 'সনমপোকপী নোং হৌবক্রে, নোং শুংসোই শোইদনা তাবনি' হায়না অহন-লমনসিংনা চিনথাং যৈনা হায়নবক্রি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা মনিপুরগী মফম খুদিংদা নোং নিংথিনা পাক-শন্না তাই।

পূন্নমকসি মৌসুমী নুংশিৎনা বে ওফ বেঙ্গল য়ৌবক্লগা সমুদ্রদগী হুমগৎলকপা নোং পুবা নুংশিৎনা মণিপুরদা য়ৌশিল্লকপদা কবম্বা মাইকৈদা হুমজিল্লকপা অমসুং চীংশাং পরেংনা থৎপা মাইকৈ থোকপা নৎত্রগা থৎপীনবা চীং লৈতবা মাইকৈ ওইকব্বা পূন্নমকসিগী মখা পোল্লি। অদুনা কবিগুম্বা চহীদা নোং মবাং কাইনা তাবা কবিগুম্বদনা নোং ব্লাৎনা তাবা ওইবা যাই।

নোং খাকপগী লৈহৌবোল ঃ

নোং খাকপসি মতৌ কব্বন্না থোকলিবনো হায়বসিগী মবমদা মালেমগী অখঙ-অহৈ কয়ানা মখাগী অসুম্না ফোংদোকই।

১) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙালসিনা নুংশিত্তা মৈশা পী। নুংশিৎসি কা হেন্না শাগৎহনবা ঙমই। নুমিৎকী লৈমাযদা শাবিবা মৈশাগী চাংদগী শরুক মঙা হেন্না শাগৎহনবা ঙমই। চাউবাক্লা সেলসিয়স ডিগ্রী ৩০,০০০ (ফরেনহিত দিগ্রী ৫৪,০০০) যৌনা মৈশা লাংহল্লি। শাববনিনা নুংশিৎ অসি হায়নিংঙাই লৈতনা পাকথোক-চাওথোবকই। অসিগুম্বা মিৎকুপ্তা অশাবা নুংশিৎ অসি অহৌবা মখোলগা লোয়ননা পোকখায়বকই। পোকখায়বগী অহৌবা মখোলসিবু ঐখোয় মীওইবনা 'নোং খাকপা' কৌই। নোং খাকপা হায়না খঙনৈ।

২) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙালনা মৈশা পীবদগী শাববা নুংশিৎকী মশক শকওংদু পাকথোক-চাওথোবকপা অমদি ইখঙ-খঙহৌদনা মৈশাগী অহোংবা লাকপদুনা নুংশিৎ অদুদা খোঞ্জেলদগী হেন্না যাংবা ঈথক্কী

খংয়ে- খংথেংগী শাফু অমা থোকহল্লি। মসিনা মবম ওইদুনা সুপবসোনিক সোক অমা থোকহল্লি। অসিগুম্বা সোক অসিনা শকফম কাযখিবগা লোযননা নাকোংনা তাবা ঙম্বা ঈথক্কী শাহুম অমা ওইনা শাযোনলকখি। অসিগুম্বা মিৎকুপ্তা অহৌবা খোঞ্জেল অমা ঐখোযনা তাবা ফংই। খোঞ্জেলসিবু 'নোং খাকপা' হাযনা খঙনবে। অদুনা নোং খাকপসি নোং মমিৎ ফাকলিবা পনখৈনুংদা কাহেন্না শাবদগী পাকথোক-চাওথোকলকপা নুংশিৎনা থোকহনবা সোক-ৱেব অদুনি।

৩) নোং মমিৎ ফাকপনা পীথোবকপা ইনর্জিনা অকোযবদা লৈবা নুংশিৎপু মৈশা পী। মসিনা নুংশিৎ অদু খোংলৈ থুনা পাকথোক চাওথোকহল্লি। অদুগা খোঞ্জেলগী ঈথক অমা শেমলকই। ঐখোযনা খোঞ্জেলগী ঈথকতি তাবা ফংগনি। তাবিবা খোঞ্জেলসিবু নোং খাকপা (থন্দব) হাযনা খঙনবে।

৪) নোং খাকপসি নোং মমিৎ ফাকপা মৈবি লিখুলগী অকোযবদা লৈবা গ্যাসশিংনা খোংলৈ থুনা পাকথোক চাওথোবকপদগী থোকহনবা খোঞ্জেলদুনি।

৫) নোং মমিৎ ফাকপগী থৌশিন্না ওদিবল প্রেসব ৱেভ থোকহল্লি। নাকোংনা তাবা ফংনঙাই ওইবা মতৌগী ঈথক নাইবা শাফু থোকহনবনি। মসিগুম্বা ওদিবল প্রেসব ৱেভ অসিবু নোংখাক খোঞ্জেল ওইনা ঐখোযনা তাবা ফংলিবনি।

৬) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙাল পবিংদা লৈবিবা নুংশিৎতা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌদা মৈশা পীবদগী নুংশিৎনা ইখঙ-খঙহৌদনা শাথিবা মওংদা পাকথোক-চাওথোবকপদগী থোকহল্লকপা খোঞ্জেলবু নোং খাকপা কৌনৈ।

৭) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙালনা অযৌবী থাক্তা মৈশা পীববা নুংশিৎনা হাযনিংঙাই লৈতনা এস্কপান্সন তৌবকই। মসিনা কমপ্রেসন হাযনা খঙনবা থৌশিল অমা মশা মথন্তা থোকচবকই। শাববা নুংশিৎশিংদু পাইথোকখিগনি। অদুনা মৈঙাল পবিংনা ফাওখিবদা অহাংবা মফম লৈহৌগনি। মৈঙাল পবিংদুনা ফাওদুনা চৎথ্রবা মতুংদা মফমদুদা লৈবম্বা মৈশাগী মপান্সল পুম্বা মযেং তাথখ্রে। মফমদুগী প্রেসব নেমথখ্রে।

হাংহৌবিবা মফমদু মেনশিন্নবা নুংশিৎসু মিৎনা কুপ্পদা পাইশিল্লকই। অসিগুম্বা মফমসিদা বিযাবফ্রেক্সন হাযনা খঙনবা থৌশিলসু মবোমদোম থোকলকই। কমপ্রেসন অমদি বিযাবফেক্সন থৌশিল অনিসিনা খোঞ্জেলগী ঈথক থোকহল্লকই। খোঞ্জেলসিবু ঐখোযনা নোং খাকপা কৌই।

৮) নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙালনা মৈশা পীবদগী শাববা নুংশিৎনা পাকথোক-চাওথোবক্তুনা পাই থোকখিনি। অশাবা নুংশিৎ পাইথোকখিবগী অহাংবা মফম লৈহৌগনি। হাংহৌবিবা মফমদু মেনশিন্নবা নুংশিৎ যাম্না থুনা পাইশিল্লকই, শিৎচিল্লকই। পাইশিল্লকখিবা নুংশিৎকী খোঙজেলনা যাংমনখিবনা অহৌবা মখোন থোকহল্লি। অহৌবা মখোলসি ঐখোয মীওইবনা তাগনি। তাবিবা মখোলসি নোং খাকপা হাযনা খঙনবে।

নোংখাক খোঞ্জেল ঃ

নোং খাকপগী খোঞ্জেলসি মখল মবি থোক্না খাযদোকই। ১) ক্লেপ্স, ২) পিলস, ৩) বোলস অমসুং ৪) বম্বলস ।

ক্লেপ্স ঃ

মসি ইখঙ-খঙহৌদবা অহৌবা খোঞ্জেলনি। সেকেণ্ড ০ ২ দগী সেকেণ্ড ২ ফাওবগী মনুংদা খোঞ্জেলসি মাংখিনি।

পিলস ঃ

ফ্রিক্বেন্সি নৎত্রগা এমপ্লিচুদ অহোংবা নাইবা নোংখাক খোঞ্জেলবু পিলস হাযনা খঙনৈ।

বোলস ঃ

নোংখাকপগী খোঞ্জেলদা অহৌ-হৌদগী চাং নাইদ্রবদি মদুবু বোল্স হাযনা খঙনৈ।

বম্বলস ঃ

ফ্রিক্বেন্সি নেম্বা খোঞ্জেল ওই। খোঞ্জেলসি মতম শাংনা লৈ। নোংখাক খোঞ্জেলসি ঈথক নাই। মসিগী ফ্রিক্বেন্সি লৈ। ফ্রিক্বেন্সিগী মশক তাকপা খুজিংসি "হর্টজ" হাযনা খঙনৈ। ফ্রিক্বেন্সিগী মতুং ইন্নদি নোং খাকপসি মখল অনি থোক্না

খাযদোকই। হর্টজ ২০ দগী হর্টজ ১২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ফ্রিকুয়েন্সিগী নোংখাক খোঞ্জেলসি ঐখোয মীওইবনা তাবা ঙম্বা, তাবা ফংবা ওইগনি। মসিবু সোনিক থন্দব সাউন্দ-তাবা ফংবা নোংখাক খোঞ্জেল কৌই।

ফ্রিকুয়েন্সি হর্টজ ২০ গী মখাদা লৈবা নোংখাক খোঞ্জেলসি ঐখোয মীওইবনা তাবা ফংদে। তাবা ঙম্বা থাক্তগী হন্থনা লৈবা নোংখাক খোঞ্জেলবু ইনফ্রাসোনিক থন্দব সাউন্দ-তাবা ঙমদবা তাবা ফংদবা নোংখাক খোঞ্জেল কৌই। অদুনা কবিগুম্বা তানজাদা থোকলিবা ফ্রিকুয়েন্সি পিকপা নোং মমিৎ ফাকপবু নোংথাং কুপ্পা ওইবে।

তরুকশুবা পন্দুপ

নোংখাক খোঞ্জেলগী হৈন-লিচৎ
অমসুং মতিক-ময়ায়

১ নোং খাকফমদগী ফিট ৩২৮ (মিটব ১০০) লাপ্পা মফমদা লৈবা মী অমদা নোংখাক খোঞ্জেলসি হেক তাবদা পোকখাযবগী অহৌবা খোঞ্জেলগুম তাগনি। অদুগা হিস-হিস লাওবা, টাক-টাক লাওবা খোঞ্জেল তাবরুনি। মাইল ৬ লাপ্পদা লৈবা মীনা তাবদদি দ্রং-দ্রং লাওবা খোঞ্জেল তাগনি। মফম অমখক্তদা লেংদনা লৈবা মীদা যৌবকইবা খোঞ্জেলদু নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙাল লিখুলগী তোঙাল তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপনা দ্রং-দ্রং লাওবা মখোল ওইহনবনি।

২ নোং মমিৎ ফাকপগী মৈঙাল লিখুল শাংবগী মতুং ইন্না নোংখাক খোঞ্জেলসু মতম শাংগনি।

৩ নোংখাক খোঞ্জেলগী অশেংবা মতিক মযাযসি মতম-মতমদুগী ওইবা এটমোসফিযাবগী ফিভমগী মখা পোল্লি। নোং মমিৎ ফাকলিবা মফমদুগা খোঞ্জেল তাবিবা মীদুগী লৈফমগা লাপ্নবগী মখাসু পোল্লি। নরুবগী মতিক খোঞ্জেলসু হৌনা তাগনি।

৪ লাপ্তা-লাপ্পা মফমদা থোকপা নোং মমিৎ ফাকপগী নোংখাক খোঞ্জেলদি ঐখোয মীওইবনা তাবা ঙমদে, অদুনা নোং মমিৎ ফাকপদি উবগা নোংখাক খোঞ্জেল তাবদি ফংদে। মসিবু মীতৈ লোঞ্জলদা নোংথাং কুপ্পা হাযনৈ।

৫ মাইল ১৫ দগী ২৫ ফাওবা লাপত্রবদি মদুদগী লাকপা খোঞ্জেলদু লৈমায যৌবকপদা মখোল তপথখিগনি। মসি খোঞ্জেলদুনা ফাওদুনা লাকপদা

অকোইবগী পোৎলমশিংনা খোঞ্জেলদুগী মচাকশিং খরা চুপশিনখিবদগীনি।

৬ কিমি ২০ ফাওবা লাপ্লদা থোকপা নোং মমিৎ ফাকপগী নোংখাক খোঞ্জেলসি তাবা ঙমই। কবিগুম্বদা কিমি ৩০ হেন্না লাপ্লা মতাংদসু তাবা ঙম্বা যাওই। মসি পাক থোক্কে। তাংনা থোকপনি। তাবা-তাদবগী ৱাফমসি নুংশিৎতা যাওবা ঈশিং-ঈনিলগী চাং, নুংশিৎকী অযাংবা, নুংশিৎকী অইং-অশাগী চাং, লৈচিল-নোংফাই থাংবা-থাংদবগী চাং পূম্নমকসিগী মখা পোল্লি।

৭ নোং মমিৎ ফাকপসি থংন-থংননা থোক্লবদি নোং খাকপসু মবি-মবি শমথবকই।

৮ নোং মমিৎ ফাকপনা থোকহল্লিবা খোঞ্জেলদু কল্লবা অমসুং যাক্লবদি মদুবু 'খাকপা' হাযনৈ। অসিগুম্বা মতিক-মযাইগী নোংখাক-খোঞ্জেলবু 'অখাক-অবাও' (থন্দব) হাযনা খঙনৈ।

৯ নোং খাকপগী মখোলসিনা লৈচিল মপৈশিংগী মবক্তা খোম্থাং যৈদুনা লৈববদি নোংখাক খোঞ্জেলসু মখা তানা নিলদুনা লৈগনি।

১০ অসুম্না হাযনৈ -'নোং মমিৎ ফাক্লবদি নোং খাক্কনি, নোং খাক্লবদি নোং মমিৎ ফাক্কনি।'

নোং খাকপনা থোকহনবা ঃ

